মালেমঙাম্বী ঃ [illegible] ঠিবিক্লু খিৎ পানবনু।

পুন্সীবা ঃ [illegible] পদবা [illegible] মীওইনবা। [illegible]

[illegible] লোইনা যাওবানি।

মালেমঙাম্বী ঃ হোয়াং অদু ওই [illegible] পোৎথাং হানবা।

পুন্সীবা ঃ ইমা মসিসু পোথাবা মখল অমানেনে। ইমা [illegible]

[illegible] ব্রকসন যঙনা মীওইনবা সাইবাসাড [illegible]

[illegible] বাকম কযা হায়বম্মী।

থোইথোই ঃ [illegible] তান।

পুন্সীবা ঃ ব্রেকসননা মীওইবগী বাখলগী মবোল অসি থাক অহুম থোক্লা খাযদোক্লম্মী।

মালেমঙাম্বী ঃ ইবুংঙো - ।

পুন্সীবা ঃ দাঁক লেভেল, কনসিওস লেভেল অমসুং অনকনসিওস লেভেল হায়না। দাঁক লেভেল না অপাম্বা কল্লকপা লৈত্রিবঙে অঙাং ওইবিঁঙেগী থাক্কুনি। কনসিওস লেভেলনা অফ-ফত্ত, অচুম-অবান খঙ্বা ওল্লবা মতাংদুনি। অদুগা অনকনসিওস লেভেলনা অফ-ফত্ত খঙ্বা ওল্লক্ত্রবা মতাংদুনি। মীওইবনা নিংবা থুংলক্ত্রবা, পুন্সিগী অপাম্বা ফংলক্তনা মতমদা কনসিওস লেভেলদা লৈবম্বা পুক্লীংগী শক্লোন পুম্বা অনকনসিওস লেভেলদা চংলকই। মদুনা পুন্সীদা কনেম্লবকই।

মালেমঙাম্বী ঃ তোকও মখা তাবনু নঙণা নাদু তাবা উমদে। লাও ইমুংদা চংলসি, ঙাইহাক্কো পোংথাবোলাও।

(গোবোবা হিদাক ঙাওবগা হাইবগা চংলকই)

গোবোবা ঃ (পুন্সীবু উনগা শাওনা)

হায় নঙ কেদৌনিম্মীবনো? এনা হল্লকপদা নঙ উইনগনু হাযবা নত্রা? হায মীনাই মচা।

(পুন্সীবা বিনা মইতেমগা মকমদা লৈশিলি মশা নিক্রকই)

মালেমঙাম্বী ঃ নমিনো হেন হল্লকপগ। অঙা দা অদুম্না ঙাংবিবিবনো? যুমদা লেতপনা কদায়দা লেননি হায়নগে

(পুন্সীবনা বানাশানি)

গোবোবা ঃ মাস লেনদনী এ দাওগা অমত্তা যাদ্রবনে চংখ্রো নশক্তু যেংনিংদে।

মালেমঙাম্বী ঃ নবানা মখোয গাচৌনা তৌবিনসিনো? চংলমদবা শাতাং চানমদবা চিঙ্গাক ইমুংদা হুঙিল্লক্লগা লাংনা খোংবা মসিবু যুম অমগী। অহল অমনা তৌফম থোকপা মথৌবো?

গোবোবা ঃ এ। হৈরেদা, ইমা শাবিনিনে। নঙ নথো কবি লে? চংনিং চংনি চানিং চানি। এবু অসুম্ন তৌবম্বনো পেনদবা অমদগী তৌবিবনে খংঙব্রা?

মালেমঙাম্বী ঃ কবিনো পেন্দ্রিনবো? পেন্দ্রিনদুবু কবিনো?

গোরোবা ঃ মদু নঙনা ঐঙোন্দা হংবগী দবকাব লৈতে।

মালেমঙাম্বী ঃ ইমুংসিনা নোংমা নোংমগী লৈখা তাবক্লাবা কবি চাব, কবি থাক্র নোংমতা যেংশিল্লক্তবা অরৈবা মান চাং য়োন যোন্দুনা জুবাব শান্নবা নুমিৎ নিনী হুমনি যুমদা হঞ্জিলক্তবা,কুসি বাসি তৌবা মসিবু কবিনো? অমুক্তং খঙ্গবিসু মসিবু নুপা অমগী শাজৎলা?

গোবোবা ঃ ঐ যুমসিদা লৈনিংদেনে খংঙবরা? যুমসিদা হেক চঙলকপগা খোয়দৌসে হেক্তা শাওগৎলি।

মালেমঙাম্বী ঃ মদুবু হেক্তা যাব্রানে?

গোবোবা ঃ মসি যাম্না ঙাংখ্রেদ, মসি যাম্না পাম্নামাক্লে মমাযসিদা লিশিনদে।
(ফুগে লৈই)

থোইথোই ঃ তাচৌ
(খাম্মী)
কবিনো তাচৌনা তোবিনাসিবো?

পুন্সীবা ঃ তাচৌ ইংতেমদা ফুবাগনু, ইংতেমসে ঐখোয় ময়ামগী হোংনবা মম পাক্তারবনি।

গোবোবা ঃ মদুদি খংবা? নথিবো চানিন খংবা থবক [illegible]
মদুদি খ [illegible]

পুন্সীবা ঃ [illegible] লৈতে হায়বনো তাচৌ?

গোবোবা ঃ অদুক [illegible] ঐনা মদু [illegible] [illegible] তৌনি খ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নথিবো [illegible] চানিবদো [illegible] নাওনে।

পুন্সীবা ঃ তাচৌ--।

গোবোবা ঃ খুমগনু নমাইদা থাজল্লক উবা হা --?
(পুন্সীবদা হোৎচিল্লি)

পন্সীবা ঃ তাচৌ ।

মালেমঙাম্বী ঃ সে লান ওসে ইমুংদা পোথাবনো --।
(গোবোববু ফাবগা চিংঙি)

গোরোবা ঃ হাই নখোয় কনামত্তা মাসি চাক পীজবা য়ারোই। হেক পীজবদা নখোয় ঐনা কৈদৌগে য়েংঙু।

মালেমঙাম্বী ঃ য়ারেসে লাকও। (চিংদুনা ইমুংদা পুশিনখি)

পুন্সীবা ঃ তাচৌ - তাচৌ -
(কপ্পী)

থোইথোই ঃ (পুন্সীববু থেমজিল্লগা মখুৎ পাইদুনা)
তাতোন নঙনা ঐঙোন্দা পুন্সী হাযবসিদি অৱা-অনা পুম্নমক খাংবা তমগদবনি হায়বদু তাতোন নঙ কাওরবরা? নঙ ৱা ঙাংগনুকো, খাঙবা তমগদবনি।

পুন্সীবা ঃ থোইথোই -।

থোইথোই ঃ (মখা তাহন্দে, নমতৎতুনা)
তোক্লো তাতোন নঙ ৱা ঙাংলগনু।

পুন্সীবা ঃ থোইথোই ঐ বা অমত্রা ঙাংবা য়াদ্রববা?

থোইথোই ঃ (কপঙাং)
যাদে ঙাংবা যাদে। তাতোন নঙ চাক লাম্মে হাযবদায় লাও ঐ চাক থোংলুবগে।
(মবুব্বু পুশিল্লবকই, নোংদম্বা চংলকই)

নোংদম্বা ঃ (তৌবম্মীবদু উবদা)
কদৌরে?
(থোইথোই লোয়া মপি তৈথোকই, তুমিন চংখি)
পুন্সিবা নঙ কৈদৌরে?

পুন্সীবা ঃ (খুমদে বাখল অমদা নোংদম্বদা মুন্না য়েংঙি)

নোংদম্বা ঃ কবিগীনো নঙনা ঐঙোন্দা অদুম্না রেংলিববো?

পুন্সীবা ঃ (বাখল লাকই)
ও! নোংদম্বা মরুপ লাও ফম্মুরাও।

নোংদম্বা ঃ য়ারে ঐ ফম্লরোই।

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা মরুপ, ঙসিদি তান য়াম চারে। ঐ নঙোন্দা করিনো অমত্তা হংহৌগে।

নোংদম্বা ঃ কবিনো হংঙুনে।

পুন্সীবা ঃ পুন্সী হাযবসি কবিনো? পুন্সীনা ঙইবিবসি কনানো? হিংলিবসিনা কবিগীনো?

নোংদম্বা ঃ কবিনো নঙনা হাযবীবসিবো? নঙ বাখল জাৎ- জাৎ খল্লমাল্লে।

পুন্সীবা ঃ ঐনা থিবি নুংশিবা, নুংশিবগী নুংগী অর্থ।

নোংদম্বা ঃ অস। নঙসিদি কান্নদবা ঙাক্তা খল্লেবো। যাববোই নঙ যুমসিদা শুম নৈশিনদুনা লৈববদি মমৈদা শোইদনা ঙাওবকপা তাবে। ঙসিদিনে সেনিমা অমা যেংলুসি। চৎলো নফি হোংলুবো

পুন্সীবা ঃ সেনিমা, ভুঁ ঐ যেংঙোই, যেংনিংদে নঙ যেংলুচো।

নোংদম্বা ঃ ঐনা থবক হেন জোইন্ত তৌখিবদগী নখোযদসু লাকপা ইশং শংখিদ্রে। নঙসু মপান ইপান থোক্তুনা নোংযাদোকসু ঐখোযদগা মকোহংখোববউ। নচলনুপী থবিকথানসু নওব্ উদবা কুইবে ঙনা শোল্লি। যেংঙো পুন্সীবা নঙ হন্দকসে মঙং অমা ইতৌ তৌহ নঙগী মঙ সি ঐ যাম্না হৈনদেবো।

পুন্সীবা ঃ হনাবোই ঐসু হৈনাদে। হৈনদনদু হৈননবা তঙ্খনি। তমদনসু যাদবনি।

নোংদম্বা ঃ কবিনো নঙনা খল্লিসিনো?

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা এনা সমাজ অসিবু যাম্না ইকাই খুম্দই। নবিংঙম্বা থবদসু সমাজ অসিগীদমক তৌনি লি। মতম চংনা বানা তম্বুবা ইংঙনা ইম্বিপাসদা উবকই যংবাকই সভ্যতাগী অশেংবা মতুং ল মঙাল তদগা। যাযনবা ঐগী ইবৈবাক্কী খুন্নাই তসিদা চংনবদি যাম্ন মনিনা চুম্মান্দ্রে। ঐ নিংবা যাম্না কাই।

নোংদম্বা ঃ চুম্মী পুন্সাগা, হৌজিক্কি মতম অসিদী যাম্না লুবে তৌবতনু পুন্সীবা, পুক্সমকসি, অসি লোযনদবা যাদবনিনা ঐখোয হৈনাবা হোৎনগদবনি।

পুন্সীবা ঃ অদুবু ঐনা থাজবম্বা খুন্নাই অদুদি লৈবমদ্রে। তুহৎপিবা নৈহৎপিবনা অথোমবা মবমচৎ ওইবমলে। নোংদম্বা হৌজিক ঐখোযনা উনিবা

মীশিংসে মী অমত্তা ওইদ্রে. মীনুংশি.থৌজাল, মরমচৎ অমত্তা যাওদ্রে। ঐনা পাম্নদি মীদি মী ওইনা হিংবদুনি, মী ওইনা শিবদুনি। অদুবু পুন্নমক তাযোন্নবে।

নোংদম্বা ঃ (ইঙক ঙকই)
পুন্সীবা নঙনা হার্যবিবশিংসিবু কবিনো? করম্না নঙগী রাখলনা থাক অসি যৌবকলিবনো? মদু খল্লুবগী মরম্না করিনো?

পুন্সীবা ঃ (কংনোক নোকই)
নোংদম্বা মকপ. ঐ ঐগী মিৎসিদা যাম্না পিকপা মঙাল অমখক উৎম্মী। অদুবু হৌর্জিত্তি মদ মাঙখিদুনা পুন্সীসে হেক হেক অম্মাবদা লম্মুকনবে। অদুবু ঐ চৎতবদি যাদে। ঐ চৎপা তাই, কবিনো পাম্বে অমা থিবগা। আই শুদ গো, নোংদম্বা আই শুদ গো তু বিচ তু মাই দেসা[illegible]নেসন।

নোংদম্বা ঃ নঙগী যিলোসোফিদুনা নঙ নশাবু যাঙ্গ নাইক্লে। খবা রিলেক্ট [illegible]ভাবা [illegible]। ঐগী পুন্সী এগা [illegible] মীঙোন্দা তাক দিপেন্দ ভাবা চুমদে। ঐসু খবা হোংনগদবনি।

পুন্সীবা ঃ [illegible] অদুবু মায়থিবু তা নাকই। নঙ হায়না [illegible]? হৌবকুবানু [illegible] নীমানবসিনা কেদৌঙৈ পুন্সীনু [illegible] [illegible] হানি।

নোংদম্বা ঃ [illegible] খবদ [illegible]পথোক্লবদা [illegible] চইহাব কাইথোক্লসি।

পুন্সীবা ঃ [illegible] ঐ যুমসি থাদোকপা যাদে। ঐ ঐগী যুমসে [illegible] নুংশি।

নোংদম্বা ঃ [illegible] ভেরি চাইলদিস। নঙগী যুমসে বনানসু চেক্লোইযে।

পুন্সীবা ঃ মদু হায়গনু এনা ভবগা নঙনা উবগা যাম্না খেন্নে। তাচৌনসু যুমদা লেবা যাবোই হায, ইতৈমানসু থোইথোইনসু যুমদা নৈশিনগনু চৎথোকউ হায। নঙসু ঐবু যুমসিদগী পুথোক্লবা হোৎনবি। কবিনো নখোয়না পাম্লীবসিবো? ঐবু যুমসিদা লৈবনু হাযববো?
(মপি তাবকই)

নোংদম্বা ঃ অস! কবিনোনে নঙগী বাখলসিবো। ঙাইখো তপথখো, ঐ রা হায়গে।
(কোনবি)
চাক্তী চাববরা?

পুন্সীবা ঃ (ঙাইহাক খল্লগা)
চাক - । ঐগী চাক -??

নোংদম্বা ঃ উম! নঙবু চাক চারববো?

পুন্সীবা ঃ (তপ্পা হাযবকই)
ঐগী চাক যুমশিদা লৈতে।

নোংদম্বা ঃ পুন্সীবা -!!
(ঙক্লা)

পুন্সীবা ঃ (কপথোবক্লে)
হংঙনু, ঐঙোন্দা কবিমত্তা হংঙনু। ঐ বারে ঐ যাম্না বাহে।

নোংদম্বা ঃ ফবে লাও ঐখোযদা চাকবসি।

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা মকপ, নঙ শাওগনুকো, ঐ যুমসিদগী চৎখোকপা যাদে, ঐ চৎলবোই । ঐগী যুম থাদোক্লুনা ঐ কদাযদসু চৎলোয, ঐ কদাযদসু চৎলোই।
(ইমুংদা চেনসিনখি)

নোংদম্বা ঃ পুন্সীবা মকপ কবিনোনে মানা ঙসি তৌবল্লাবসিবো। ঙাইখো পুন্সীবা বাবি ওমা শাখিসি। পুন্সীবা পুন্সীব।
(মাসু পুন্সীববু তান্নখি)।

মঙাশুবা উৎপা

মফম ঃ ইবোহলগী য়ুম

মতম ঃ নুমিদাংৱাই

খোইমু ঃ (খোইমু চাক থোংঙবগি মতংনি, শাওনা থোবকই)

ঐ ঙসিদি যাম্না শাওনিংখ্রেদা। ঐখোয পাবসিবু ঐবু পাখংনি হাযবসি কাওবাজংলানে? ঙসি ঐনা শাওদনা ঐ পাখংনি পাখংনি হায়না লাওনিকো। চাকসিদা খাওদনবা হায়দনা মোরোক অমুক শাহল্লে থুম অমুক যাকহল্লে, চেং অমুক চংহল্লে ফনা যাম্না হোৎনবননেমি। মদুবু ভাব থম্মা ইতা তাদেবা। ফৈ ঙসিদি লাক্তা লাকখিসনু হেক্তা হায়বদৌনি।

(ইবোহল চংলকই)

ইবোহল ঃ খোইমু ইপাগী খোইমু।

খোইমু ঃ কৈনো পাবা।

ইবোহল ঃ হিং। ইচা শাওইনা। কৈদৌবে নঙনা শাওবিদি?

খোইমু ঃ শোইবুম ইবোনবগা লাযবি। বা চপ চানা হান্না ঙাংনসি পাবা।

ইবোহল ঃ ইয়া মসি অঙাংসিদি। কবি বানোনে?

খোইমু ঃ পাবানা ঐবু অঙাং অঙাং হাযবদু যাববদি হায়বীগনু। ঐ অঙাং নত্রে।

ইবোহল ঃ (নোকই)

হা-হা চুম্মী চুম্মী ইচা অঙাং নত্রে। ইচা পাখং ফাববনি। হা পাখং ফাবা হায়বদুদি ইনখৎলকপনি। ইচা পাখং মতম হেন্দোরক্লবনি।

খোইমু ঃ করি হায়বা?

ইবোহল ঃ পাখং মতম হেন্দোরকএ হায়বনিনে।

খোইমু ঃ অদু ওইব্বদি পাবা ভাব তাবীয়ু।

ইবোহল ঃ হাই-ত, ঐবু কৈদৌ হায়রিবনো। খংঙিনে নঙ নয়ুম পান্নিংঙে হায়বা, অদুবু ঐনা ঙম্বরা? নঙ নশানা অপাম্বা পুশিঞ্জরক্কদবনি। অদুদি নৎত্রদনা।

খোইমু ঃ থিগদবা মতমদদি চাক থোংহন লৈরগা কদাইদা থিরুগদৌরিবনো? মপাদগীসু হনবা ঐঙোন্দা, তোম্বগী মচানা ভায় কৌশিল্লকএ।

ইবোহল ঃ এ! ইচাসিদি কৌনিং কৌজসনু, হৌজিকান অঙাংশিংসিদি ব্যাবহার অমত্তা য়াওনদ্রবনি।

খোইমু ঃ পাবা ঐ পুক্নিং য়াম নুংশিরকই‌কো। নহানগী ডাক্তরদা য়েংলুবগী চেদুদি?

ইবোহল ঃ ইহে নঙগী নাকোংদা হাপ্পীদুদি য়াম্না তাংমাল্লেনে।

খোইমু ঃ লৈ্রে হায়বা, কদাই পিরকউ ঐ য়াম চোপ্লে।

ইবোহল ঃ লৈ্দ্রিনে, লৈরদবনি। পৈশা ফরক তানদনা লৈ্দ্রিবনিনে।

খোইমু ঃ পাবা নঙ পাপ পুর্জনিকো।

ইবোহল ঃ এ! করিগী পাপনো? নথৌ লৈতনা ননা পংখে পংজরগা ঐনা করি পাপ পুদৌরিনো? ঙাইখো নঙগী চাক ঈশিংদি লোইশিল্লবরা?

খোইমু ঃ লোইদে ঙসিদি ঐঙোন্দা পাখোনগা অমত্তা হায়রক্কনু, থবক লৈ।

ইবোহল ঃ করি থবক? করি থবক্লো?

খোইমু ঃ পাখংনা চৎপদা মপানা থিগৎপিনু।

ইবোহল ঃ অদু করি থবক্লো হায়বনিনে?

খোইমু ঃ পাবা য়াম কোথক্ত্রেদা, পুজারি থিরুগে খরচ খরা পিবকউ।

ইবোহল ঃ খোইমু পৈশা পিয়ু হায়বদুদনিনে ঐনা হেক্তা শাওরিবসে। মদু হায়রক্কনুকো।

খোইমু ঃ (মপানা মাগী নুপী হায়নবিগে হায়না শেরান্ননা তাবদগী) পাবনা হায়নবা ঙাইহ্রিঙৈদো কোকসে শম অমতা য়াওরকত্রে। নোংমা নোংমগী মহাত্মা গান্ধি সুম সুম মানশিলকএ। কান্নদে পিরকউ।

ইবোহল ঃ লৈতে লৈতে।

খোইমু ঃ (শাওবকই)

পাবা পূজাবিসে পাবগী ওইনা থিবনা হেন্না ফবনি, ঐ তোকঅগে।
ঐদি আঃ বাকনি চিংদা লাই ওইনা নিংঙুবগে।
(কপঙাং কপঙাং ঙাংলগা চংখি)

ইবোহল ঃ হায় খোইমু, খোইমু ঙাইখোনে, ইহে শাওবমাল্লেদো।
(থাবিকথা কেবপ চংলকই কোইনা যেংঙি)

থাবিকথা ঃ কবিগুম্বা অমত্তা হংজগেবা?

ইবোহল ঃ (ঙকই)

কনা ওইববনো ইবেম্মা।

থাবিকথা ঃ যুমশিবু তাখোইমুখোইগী?

ইবোহল ঃ মানি মানি ইবেম্মা, ইবেম্মানা।

থাবিকথা ঃ ঐ শোইনম লৈকাযদগীনি। তাখোইমু অমুত্তা উন্নজগেনা চংজনবকপনি, মশাবু?

ইবোহল ঃ আ। লৈ লৈ উন্নখো। আদা ইবেম্মা, ইবেম্মগদি ঐখোয় খোইমুগা কবম খংনববিবা?
(থাবিকথা খুমফম খংদে)
কোইকন্ন ঐ মপানি।

থাবিকথা ঃ অ। পাবু চন্না শুম খ নজবনি।

ইবোহল ঃ ও। ইচা। মীংদি কবি কৌবা?

থাবিকথা ঃ থাবিকথা কৌজে পাবুং।

ইবোহল ঃ থাবিকথা।

থাবিকথা ঃ হেই পাবুং মা মশাবু অমুক্তা।

ইবোহল ঃ (খোইমুগা নুংশিনবিনি হায়না খনবদগী)

ঙাইখোনে ইবেম্মা, ইপাবু যাম্না নুংঙাইখৎলকইনে। ইবেম্মাগীদি অহল লমন শুনা লৈবিদনা।

থাবিকথা ঃ পাবুং ইমা বাবাদি লৈখিদ্রে, ইবুং অমা লৈজবি।

ইবোহল ঃ এ। কাযদে কাযদে, ঐখোয খোইমুগীসু মমা লৈখিদ্রে।
(লোম্না মথন্তা শোনজৈ)
ইচা খোইমুনা নহানমখৈ চৎলম্মীসিদি সিননিদনা।
(মচাবু থাগৎলগা)
হৈনা খল্লিদকো ইপাগী খোইমু।

থারিকথা ঃ (ইঙক ঙক্লা)
কবি হযবা পাবুং?

ইবোহল ঃ ইবেম্মা ঐগী ইচাসে মীবোল হাইফেৎ থুংজদবগী বানি, ওস্লোক্লা মবুক মপাও ফংব্রবনি। ইচানি হাযনা থাগৎপা নত্তেকো, ইবেম্মানা হেন্না খংলম্মনি।

থাবিকথা ঃ হাযবিবিসিবু পাবুং।

ইবোহল ঃ এ। ইবেম্মা কবিমত্তা কোইগনু, ঐগী ইমুংসিদি নুপি যাওদনা পানবনি, মথোং চাবা যুম্নাল নত্তে, নঙনা হযেং নখুং চানা শেমজগদবনি।

থাবিকথা ঃ কবিনোনে হার্যাবিসিবো? ঐদি ইচম চম্না তা খোইমুখোইগী যুম খংলুগে হাযনা অসিদা থবক অমা চৎলুবদগী চংলকপনি।

ইবোহল ঃ হো হো হো মদু ফববনি, ইচানা খল্লিবদু চুম্লবনি। যুম হান্না যেংথোক্কদবনি। হৌজিক্কী মতমসিদ মচেন থিবমঙনি, তা অদনি অদানী পংহাইদ। হাযজিল্লগা হুই মকোন মান্না অমদা লেম্মবসু কোঙ্গাযনি।

থাবিকথা ঃ (ইঙব ঙক্লা)
হেনা পাবুংনা ঙাংঙিবদু ভাব অমা ইওন ওন্নবেদা।

ইবোহল ঃ ওন্নদে ওন্নদে। ভাব অমত্তা চেন্নদে
(ইমুংদা ওনশিল্লগা লাওই)
হাই খোইমু লাওনে নঙবু খোবকউনে যুমগী লক্ষ্মী লাকএনে।

থাবিকথা ঃ মপা মচা চপ মান্নবা জাৎনিদনা সিদি। হা। মসিদি ঐ চৎহৌননা ফবনিবো।
(হৌগৎলি)

ইবোহল ঃ ফম্মু ফম্মু ইরেম্মা, নফি হোংদোক্কে হায়ববসু কাইদে, ইহে নুপী লোঙবা যুমনিনে, নাখোযগী নফি নাবোন্দী লৈবম্মোইনে। হায খোইম্মু কৈদৌবগেনে অবাংণী। ননেহোইদগী ফনেক অমখঙা নাইরোলাঙনে। খবা খুবকউনে।

খাবিকথা ঃ (ইপা পাখংনা)

পাবুং কবিলো ঙাংবিবিবদুবো এসে

ইবোহল ঃ (না মখা তাহন্দে)

খংঙে খংঙে ইনাযবনু, ইপানা লোইনা ফনবা শিনগে।

((খোইম্মু পোংযোম মচা অমা চৈ অন্দা কি লে বান্দা ফৈনা লাইরেনগা চন্দোনা চৎলগা থানা, ঈশৈ শব শক থোবকই, মাদি খাবিকথা নাকই হায়বা উদে। মাগী মহৈদুনা খাবিকথা নোকই, মপানা ইঙব চুকনা লেই)

খোইম্মু ঃ (ঈশৈ)

চৎলো চৎলো খোইম বাকনি চাং খোংদা

নিংজব্রো নঙনা পাম্বা লাই

মখং মপোক লাংঙোনগী

চৎলো চৎলো খোইম্মু,

বাকনি চাঙখোংদা ।।

ননানগা পংলে মখোংনেগা চাদ্রে

নপানসু খনবিদরে

কৈদৌবনি হি লৃদনা

পাকপে মহে যান্দরে,

চৎলো চৎলো খোইম্মু বাবনি চিংখোংদা ।।

(কপঙা ঙাংঙি)

কৈদৌবনি মীওইনা হিংঙুদনা, আং বাকনি চীংখোংদা চৎলগা ইথম্না লাই নিংঙুবগে। কৈ থোবক্তুনা চাদুনা শিগে শিজবসনু।

ইবোহল ঃ খোইম্মু।

খোইম্মু ঃ পাবা চেংপাক খবা লৈবদু এনা যোম্মে, পুবে। মসি লোইবগা ঙনা বানা চা, মতম খবা লেনবা যাববা যেংলুবগে?

ইবোহল ঃ খোইমু কবিনো নঙনা তৌরক্লাসিদি ?

খোইমু ঃ পাবা নচাবু থেম্বীবনু, নঙনা বাদি ঙাংদনা নচিন্দা পংলেংলেংলগা ঙাংবা মালহল্লগা নচাদা কাপ্নর অমুক তৌবনু। ঐ ঙসিদগী লম্বোইরদবনি। পাবানা নচাদা শেবান ভুরান তৌবিনক্লনু। মীসৌসু ঙসিদগী ওম্বোক্লবসি। পাবানা ঐবু বাবা হায়না কৌবো। ঐদি চংলে বাকনি চীংদা।

ইবোহল ঃ ঙাইখোনে নঙবু মী লাকইনে
(মখুৎনা ইঙ্গিৎ তৌই)

খোইমু ঃ পাবা, পাবনা নখুৎ - মশা হাইদুনা ঐঙোন্দা বিদায পিববা নত্রা' ঐনসু পাবদা বিদায পিজবি। বিদায পাবা বিদায নচাদি চংলগেকো, লৈহৌবোকো পাবা নচাবু বাবৌগনুকো।
(মখুৎ চাই)

থারিকথা ঃ ও খোইমু।

খোইমু ঃ (মপানা কৌরকপোই লিংদুনা)
পাবা নঙনা নখোনগা মেংথবগা থাম্নদো নচানা যাবা ঙমজববোই, বাবৌগনুকো নচা চৎচবগে পাবা।
(কপ্পি)

ইবোহল ঃ খোইমু নঙবু ইংখখো ঙাইখোনে।

খোইমু ঃ ও' নুংশিদকো পাবা
(পেন্দনা হায়বা, তেংথাবগী মওংদা)
অমুক হন্না উন্নবরোইদকো। ও পাবা অনিকপো। কবিগুম্বা ঐনা লাই কন্না নিংলিদৈদো কেজাও অচৌবা অবাঙবা অমা নাকন্দগী ফম লাওনা চোংথোরক্লনা "হো ইমা"
(ভাবনা কিবা)
ঐবু চাখ্রবদী নচানা উবা ফংঙরোইদকো পাবা। অদুগ পাবা অরিকপা ঐগী শোরাৎকী পোৎয়েংদুনা শেন্দোয চাদুনা নুংঙাইনা লৈহৌবোকো পাবা।

ইবোহল ঃ ঙাইখোনে নঙবু
(মশা পায়গে তৌই)

খোইমু ঃ শোকলক্কনু, পাযবক্কনু, অমাংবা নখোযনা অশেংবা ঐঙোন্দা শোক্লক্কনু।

ইবোহল ঃ খোইমু তু যেংঙু
(থাবিকথাদা মমায ওনশিনহল্লি)

থাবিকথা ঃ (নোক্লা) তা খোইমু।

খোইমু ঃ কনানো ঐগী মীৎতা থোবকইবসে, পিনা থুমহৎখিদুনা মযেক শেংনা উবা ঙমদ্রে।
(মখুৎনা মমিৎ অনি নোইবগা মুন্না যেংঙি)

থাবিকথা ঃ ঐনে তাখোইমু থাবিকথানে।

খোইমু ঃ কবি থাবিকথানি হাযবা ঃ নঙদি কৈদৌবা লাকইবা মীওৎপী। নহান চেনসি হাযদনা ঐনা নখোয মনিংদা কুইনা লুম লৈবে নঙদি খোবক্ত্রে নবুং থাদোবক্লগা ঐবু খুপাক্লা থাহনবা, থাবিকথা হিংচাবী, চৎপিখ্রো মৈচাক হাপ্লিবনু। নশক উবগা ঐ খোং থাংবা ঙম্লরোই।

থাবিকথা ঃ অদুগী পাওদো ঐ। কান্না তাঃ যে অদুদা তাখোইমু অমুক্তা উন্নগে শেংদোক্লগে হাযনা লাকইগে।

খোইমু ঃ নবি হাযনাঃ

থাবিকথা ঃ মদুগী থাদো শে দোরসি

খোইমু ঃ নখম্মোয শেংডগাব খুপাক্লা থাহনবলাগে

ইবোহল ঃ এ খ ছে মসি পুন্নমক ইবেম্মানা খোবহল্লনি।
(শাংনা থাবিকথাদা ওনশিল্লগা)
কবি তমনা ঐগী ইমানা মংগুমু দা থোক্লগদি ইবেম্মদা তাইনাগদবনি

থাবিকথা ঃ কাবনোদা পাবুং নাতে চাদেদা।

ইবোহল ঃ কবি চাদান, ইবেম্মানা চেনশি হাযাজিল্লুবগা শোইনদগী মথবায নুংঙাই তদনা তৌবক্লানা থবক্লী।

থাবিকথা ঃ ঐ হায দেনে পাবু । মানাদা পংথাং ঙাংজবা খঞ্জবনিনে।

খোইমু ঃ (থাবিকথানা ঙাংওবদু লানখ্রে ঙাকপিযু হাযনা শেবন্ননা তাবদগী)

পাবা মীওইবগী অথোইবা ধর্ম্মদি ঙাকপিবনি, লাম্লে চংক্তবক্লবদি ঙাকপিগদবনি।

থাবিকথা ঃ তাখোইম্মু অদু হাযবা নত্তেযে। ঐখোয তামোনা ফুবি হাযদুনা নুংঙাইতদনা হংবা লাকপনে।

খোইম্মু ঃ অদুম্মাইনা নঙনা নখোংনা থোংনা লাক্লগবু ঐনা কবিগী লাই নিংঙুদৌবিবনো? ঐসু ইশানা যাজবে। সে পাবা পোংযোমসি পাযযু। ঐ লাইনিংবা তোকঅগে। লাও থাবিকথা, থম্মোযগী থাজা, থাজদবা থম্মোযসিদা থাজগী থানিন ওই থোক্লবোনে। থাবরসু থবায থাদোক্লবোই থানিকথাবুদি। থাদোক্লবোই থাম্মোযদা থাগোনজ, থৌগনবীববোনে থোইচংনবী থাবিকথা।

(থাবিকথাগী খুদাং তাপ পাই)

থাবিকথা ঃ হাইমা হাইমা কবিনোনে তা খোইম্মু নঙবু ঙাওববনো?

ইবোহল ঃ ইবেম্মা ননাইনগা ওপ্রবানি ববিসু খল্লবনু ঐ পাওগদো হায দোক্লবা শিল্লখিগে।

(হবাওনা চেনশিনখি)

থাবিকথা ঃ নখোয পাবুশিবু কবিনোনে ভাব অমা ইগা তাদেমা পানং ওইখোও। পাবু

(লাওদুনা নৌহৌই)

খোইম্মু ঃ নঙনা নখো, থানা লাক্লমদ্রবা শোহবোই ঐ লাই নিংবদা কেন। চাদুনা শিবল্লা।

থাবিকথা ঃ তাখোইম্মু

(শাওবপ)

খোইম্মু ঃ হাও, কযদা নুংশিবননোনেসে, লৈবিবা লন থুম, লৌ ইখোল নওগীনি, ঐখোযগী লৈবিবা খুদিংমক নংগীনি ঐসু নঙগানি নওসু ঐগীনি।

থাবিকথা ঃ তা খোইম্মু ঐ কপনিংঙেকো। কবিনোনে তৌবিসিনো

(কপঙাং)

খোইম্মু ঃ ঐ খংঙি নঙ যাম কপ্পীংঙমগনি অদুবু খবা লৈবগদি পংনোক্তা নোক্লীংলক্কনি। মসে হৌনশানি হৌনশা। লাও চংঙশি, ইবানযাইদা।

(খুদাং পাই চিংঙি)

থাবিকথা ঃ তাখোইমু ঙাওশিন্ননু, ঐ ঙম্মোই, ঐ ঙম্মোই। না পঙবা নঙোন্দা ঐ কম্মাইনা লৈদোইনো?

খোইমু ঃ ইকাইশিন্ননু কৈ কান্নবা, লাও, হো ইনে নখোয় কনানোমত্তা লাকপিযো, ঐগী থাবিকথা লাকএ, হো ইনে হো ইনে।
(থাবিকথাবু ইমুংদা চিংশিল্লি)

থাবিকথা ঃ তাখোইমু তাখোইমু। কৈনো নঙনা তৌবিশিবো? থাদোকও ঐ নঙোন্দা লৈবা ঙাম্মোইযে।
(কপ্পগা যাল্লি)

খোইমু ঃ লাও লাও কৈবা ন্নবা ঙাওশিন্নবিনো?
(নমদুং। চিংদুনা ইমুংদা পুশিনখি)

তরুকশুবা উৎপা

মফম ঃ গোরোবগী য়ুম

মতম ঃ নুমিদাংবাইরম

(পুন্সীবা বাখল চেইরে। চপ চাবা অঙাওবা অমগী মতৌনি। মফি-মরোল কা হেন্না মোৎপা শেগায়বা শেৎপদি নত্তে । ময়ুমগী ইশ্বোল মচি অমদা ফমদুনা লৈরম্মী। ঈশৈ শকই)

ঈশৈ ঃ

পুন্সীনা হংলি থবায়দা,
হিংবগী মমলবু করিনো?
কয়াম কুইনা অসুমনা,
ঙাইখিনি কনাবু করিগী??

লেপ্তবা মতমগী খোঙচৎতা,
লাক্কনি য়েন্নিংথা নাকেন্থা,
চৎখিনি থনম্লগা নিংশিংবা,
লৈহৌগনি পুন্সিনা য়েংলগা।।

চোকথর' থবায়না তেংথারি,
মল্লবা পুন্সিগী তোর্বান্দা,
কংশিল্লবা ঈচেলবু য়েংলগা,
নিংশিংহৌরি মল্লবা বারি।।

(থোইথোই থোরকই। মবুংনা তৌরিবা মতৌদু উবদা হিক্লা হিক্লা কপ্লি)

থোইথোই ঃ তাতোন।

পুন্সীবা ঃ নঙ, নাঙ কনানো?

থোইথোই ঃ (কপ্লি)
তাতোন নঙসি ওস্তোকপনিদকো।

পুন্সীবা ঃ (বাখল চোইবঙুনা মমিৎতা শেবান্ননা উবকই)
নঙে নঙন্ কনানোনে?

থোইথোই ঃ ঐবু ঐবু খ'দ্রববা তাতোন। ঐ নঙগী নচল থোইথোইনে। নঙ নচলবু নুংশিদ্রবনে তাতোন

পুন্সীবা ঃ নুংশিবা, কনানা কনাবু নুংশিবা?

থোইথোই ঃ (ঙক্লা)
তাতোন।

পুন্সীবা ঃ ( ) নুংশিবগী কল্লব ইবৈলঙ্গা মপংবা থবায কয়া কয়া ইবাল্লাববসি নঙ উদববা? নঙগী চমলবী থম্মোয অদো নুংশিবগীদমও। বহংগ। নুংশিবা হায়বদদি ঙসিগী ত্তায় অসিদদি লেত্রবনি। কইনে মহাক শিখিবা।

থোইথোই ঃ তাতোন ওঙনা ঙাংলিবদুবু কবিনো?

পুন্সীবা ঃ পোমজবিবী লেবা, নঙগী লৈনানা তাবিবা নুংশিবগী মাম অদুদি ঐহেনা উবনি। তাইবঙনা হংবি উবিদ্রবা নঙগী লৈনালঙ্গা লোৎলিবা অপোঞ্বা থম্মোয অদুস্ ঐহেনা শঙবনি। অদুবু মদো মীওোন্দদি হাযদোকপা যাদেকো।

থোইথোই ঃ তাতোন তোক্লো মখা তাবগন্। ঐ হানা ঙমদ্রে।

পুন্সীবা ঃ ঐদি চৎলনি, ঐ শোযদনা চৎলগনি, তাইবঙ অসিদা ঐগী লম্বী, লৈরে, ঐগী লম্বী থাংখ্রে।
(মালেমঙাম্বি থোবকই, মথবাই নুংঙাইতনা পুন্সিবদা যেংঙি। মপি তৈথোকচৈ। পুন্সিবনা ঙাংলিবদ্ ঙক্লা তাবি)

থোইথোই ঃ নঙনা তৌবিসিবু কবিনোনে তাতোন? ঐ,ঐ খাংবা যাম্না বাবে তাতোন। ঐ ঙম্লবোই। তাতোন নঙনা অদুম্না তৌবগা ঐ কবমাইনা লৈথু হাযবনোনে তাতোন?

পুন্সীবা ঃ কবিগীনোনে নখোয়না ঐগীদমক্তা ৱাবিরিসিবো? ঐদি নখোয়গী কনাসু নত্তে, ঐদি নখোয়গা মরি অমত্তা লৈনদে।

মালেমঙাম্বী ঃ করিনোনে ইবুংঙো মাসি নঙগী নচলনিনে।

পুন্সীবা ঃ মদু মীনম্বনি, মদু লৌনম্বী, মালেম অসিদা কনাসু কনাগা মরি লৈনদ্রে। লৈখোক অমত্তগী লৈ ফাওবা খুৎশেম্না ময়োল শিন্দোকপিদুনা মচু মান্নদনা শাৎলবা, মান্নফম থোকপা ঈশিংগী মচু ফাওবা নুংঙাই য়াইফ লায়র-অনংগী মতুংইন্না মচু হোংলবা, অনীগা অনীগা মরিনি, মঙা অনিনা তারানি হায়রুবশিংবু অচুম্বগীদমক ফাদোক পীবা ঙম্লবা, নুংশিবগা নুংশিবগা তিনশিন্নবদা কল্লকপগী হু চাইশিনদুনা অপাম্বগী ইপাক্তা ইবাক্লববা, মাইরেন মপান্না লৈ শাববা. হযিং ফাওবা খোইমু শারগা ঙংলবা মতম অসিদা মী অমগা মী অমাগা কবি মরি লৈনরিবা?

মালেমঙাম্বী ঃ ইতৈমগী ইবুংঙো নঙবু।

পুন্সীবা ঃ লৈশি লৈথোনবা থোং মেংলবা বাহৈ ঐগী নাকোংদদি অমুক হন্না চংলবোই। নুপীশিংগী নুংশিববা খোঞ্জেল, খোঞ্জেলদুগী মরক্তা ঙগী তেঞ্জৈ কয়া যাওবি হায়বসে ঐ ফজনা হংদি।

মালেমঙাম্বী ঃ কবিনোনে নঙনা ঙাংলিবদুদো? ঐসে নতৈমানিনে অতে কনা নত্তেনে ইবুংঙো।

পুন্সীবা ঃ (হৌনা মথম্মোয শোক্লা লাওই)

নঙসু নুপীনি। ঐ নুপীবু কিজৈ। নুপী নখোয়গী থুম্লবা বাহৈগী থাংশাং অদু ঐ কিজৈ। নখোযগী লৈগুম্লবা থম্মোয় অদুনা নত্রা পৃথিবী অসিবু নিকহনখিবা। মালেম অসিবু থুগাইখিবা। পুন্সি কয়াবু মাংহনখিবা। কুন্তীনা মশাগী ইজ্জৎ কীদমক্তা মশাবু লোৎশিল্লগা মশাগী শিরোম্নুংদা পোমজবকপা কর্নবু কোরি চফুদা হাপ্লগা গঙ্গাগী কল্লবা ইবৈলক্তা লংথখিবা। মোইরাং থোইবী মহাকথক্কী নত্রা কেগে লৈবাক নাকপাক নাকপাক তানদুনা নোংবান্না পাম্বগী যাথোং লোনখিবা অদুগা খম্ববুনা নুংশি চাঙয়েংদা নিংঙোল খুৎশু শুরীদা পুন্সী পন্দোল লোমখিবা

থোইথোই ঃ (ঙক্লা)

তাতোন...

পুন্সীবা ঃ (হৌনা লাওই)
কৌগনু, ঐবু কনানসু কৌগনু। তাইবং মী অমত্তগা ঐগা মবি থোক্লদে। ঐদি লম্বীগী উফুলনি পাইনিংবা মফমদা পাযখিনি, লৈনিংবা মফমদা লৈখিনি। ঐদি উফুলনে উফুল।
(মকোক পাযদুনা ফমথৈ)

মালেমঙান্বী ঃ ওষ্ঠোকপনিদকো ইবুংঙো, ইতৈমদি মাংলেদনা তৌবিবসে।
(চংশিন্দুনা মশা পাইকুই। পুন্সীবনা চেনশিন্দুনা মতৈমাগী মখৌবি মেৎলি, থোইথোইনা পাখৎতুনা লাওই “মী হাৎলে মী হাৎলে”)।

থোইথোই ঃ খাদোকউ তাতোন, সে খাদোকউ। মহাকসে ইনম্মনে। কনিনো নঙনা তৌবিবসিনো তাতোন তাতোন।
(ইনুংদগী “থোইথোই কৈদৌরে” হায়না গোবোবনা লাওবকই। মাগী মখোন তাবদা পুন্সীবা ইমুংদা চেনশিনখি)

থোইথোই ঃ ইনম্মা ইনম্মা নঙ তাতোনবু বাবৌগনুবো।
(মালেমঙান্বীবু কোনখৎলি।)

মালেমঙান্বী ঃ থোইথোই ইনম্মা কৈস্ন তাংদে। চংলু নঙ তাতোনদু শোইদনা ফুবিবল্লনি।

থোইথোই ঃ ইনম্মা।
(ইমুংদা চেনশিনগে তৌবদা গোবোবনা পুন্সীববু চে অমা পাযদুনা ফুন্দুনা থাম্নবপা উই, থোইথোই পাখৎলি। পুন্সীবা মকোক কাইবে কপ্না কপ্না চেনখোনবই থোইথোইনা পুন্সীববু তাতোন হাযনা চংনা কোনশিল্লি পুন্সীবা থোইথোইগী মখ মদা কিনা লোৎলি। পুন্সীবগী অশাবপদু থোইথোইনা উল্লকপা ফিদু মচেং অমা শেৎলগা পুনশিনবী।)

মালেমঙান্বী ঃ (মপুবোইবগী মাঙদা থৎতুনা খাম্মী)
অমুক্তা ঙাইবিখো মাই তাচৌ।

গোবোবা ঃ (শাওনা মাগী নুপীবু ইন্থোক্লগা)
ওন্দোকউ মসি হাৎতোক্কে, মসি মী হাৎকদৌবি, মখোং মখুৎসি পুল্লগা থমদ্রবদি যাববোই।
(পুন্সীববু মখুৎ পাইদুনা চিংথোক্লগা ফুই নোংদম্বা লাকই)

নোংদম্বা ঃ (গোরোবগী মখুৎ পাইদুনা খাম্মি)
তাচৌ অমুক্তা ঙাইবিখো।

গোরোবা ঃ (নোংদম্ববু ইশ্বোক্লগা)
হায নোংদম্বা হন্দোকউ মাবু কনগনু। মদো মী হাৎকে তৌরবনি।

নোংদম্বা ঃ (ঙক্লা)
তাচৌ. .

গোরোবা ঃ অঙাওবা, ঙাওশিন্নবম্বদগী মী ফাউবা হাৎকে তৌববা। হায় নঙ ঙসিদি লোইশিল্লগে।

নোংদম্বা ঃ (খাম্মী)
তাচৌ অমুক্তা ঙাইখীখো। অদুক মীনুংশি শংদ্রিবা কনিগীনো। মহার্কসি নহাক্তা ননা ওনানে তাচৌ।

পুন্সীবা ঃ (নোংদম্বগী মকমদা লোৎলগা)
মকুপ ঐবু কনবীযু. ইতৈমা ঐবু কনবীযু। মকুপ ঐবু কনবীযু।

গোরোবা ঃ হায নুপী নোয চংঙু, খোইখোই চংঙু ইমুংদা
(চেনশিন্দুনা পুন্সীববু চিংথোকই)

নোংদম্বা ঃ তাচৌ কবিনোনে খনা তেনমল্লেনে।

গোরোবা ঃ (শাওবকই)
হায মসি ঐগী ইনাওনি, ইনাওবু ঐনা খাবকপদা কনান্সু মথৌ লৈতে।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ মমাম্বা অমন মনাও অমদা খাবকপবু মদুগনে।

গোরোবা ঃ মসিদা নঙগী মথৌ কবি লৈ?

নোংদম্বা ঃ খংদববু খংনবা তাকপিববু মথৌ লৈতে তায়না লৌগদবা?

গোরোবা ঃ অদুদি নঙসু ফুবা তাবে।
(নোংদম্বদা ওনশিন্দুনা ফুই)

মালেমঙান্বী ঃ (খাম্মী)
কবিনোনে মাই তাচৌ ঙাওরব্রানে ?

নোংদম্বা ঃ ইতৈমা খামগনু, তাচৌনা যাম্না পেন্দ্রবদি পুন্সীবসে হাৎতোকচবসনু
(পুন্সীববু গোরোবদা ইশিল্লি)

পুন্সীবা মরুপ শিযু নঙ তাচৌগী মখুৎতা শিযু; ময়াম্বগী মখুৎতা শিবা ফংজবদি চংনা স্বর্গ কাবগুম্বনি, শিযু নঙ শিগদবনি। (গোবোবনা পুন্সীববু মখোংনা কাওথোরকই মালেমঙানবীগী মখোংদা তাই, মখোযনা পুন্সীববু কোনখৎপি)

নোংদম্বা ঃ ইতৈমা কোনবীরুনু, মাদি ইতৈমা অমদি তাচৌগা কবিমত্তা মরি লৈনদে। মাদি মথ্বায পান্বা জিবা নত্তে। ঙসিদগীদি লম্বীদা তাবম্বা নুঙনি হায়না খন্দোকপিবো। পুন্সীবা লাও, মরুপ।

মালেমঙান্বী ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ মরুপ নঙনা কপ্লীবা কবিগীনো? মরুপ নঙনা নহানমখৈ য়াতারুবদু মীগী অবাযবা নিংথানি হাযবা নঙ ঙসিতা খংলক্লুববা মরুপ।

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ নঙনা মতম খুদিংদা ইতৈমা নত্তে ঐগীদি ইমানি, ইযাম্বা নত্তে ঐগীদি ইপানি হাযবদুব অসিবানে মরুপ কনম্বা মমা ওইবীনা অপোকপা মচাগী মমীত্তা পাবা খৌবা উবদা মখুৎ অদু লোর্শিন্দুনা লৈবা ওশ্বগে মরুপ। নঙনা উবিনাসিদি নঙগী পুন্সীবু অচাকপা মৈদগী কনবীগদবা অশেংবা অতিযাগী লোং অদু নত্তে। নঙগী অচাকপা নখম্মোইবু উবগা লৌক্লিবা লোং মানবা মৈখু ঙাওজনিনে।

গোবোবা ঃ হায় নোংদম্বা নঙসু মফমসিদগী থুনা চৎখো নত্রবদি নঙসু ফুগাইবজুনা শিজনি।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ মীওইবগী অথোইবা লিচৎতি মীনুংশি থৌজালনি। মীনুংশি থৌজাল হাযবদুবু তাচৌগী থম্মোযদা অমত্তা যাওদববা তাচৌ। ফুবিযু তাচৌ ফুবিযু। ঐনা চসি লাকচবিবসে তাচৌগা লম্বা তৌগে লাকচবা নত্তে তাচৌগী য়াথং অদু ইন্দুনা ইথৌ তৌগে লাকচবীবনি। ফুবিযু তাচৌ ফুবিযু নখুৎ পেন্নবা ফুবিযু।

গোরোবা ঃ কৈনোনে মীশিংশিনা ঐঙোন্দা তৌরিসিবু করিনোনে। দাও খুৎয়াদসিগা - ঙসি ঐনা শাওনিংদুনা ইথন্তা ইঙকসি ককথৎলগা উদা য়ান থন্নীকো।

মালেমঙান্বী ঃ নোংদম্বা ইতৈমগী ইবুংঙো।

নোংদম্বা ঃ ইতৈমা।

মালেমঙাম্বী ঃ ইতৈমদি ...।

নোংদম্বা ঃ ইতৈমনা ঐখোয়বু অমদি পুন্সীববু নুংশিদ্রে নৎত্রা!

মালেমঙাম্বী ঃ নত্তে নত্তে ইবুংঙো।

নোংদম্বা ঃ খংঙে ইতৈমা, মমা অমগী খুৎ অদুনা লৈরিবঁদা অসিগুম্বসি খক থোক্লোই। ঐখোযনা ইতৈমবু নিংজবদি ঙসিগী মালেম অসিদদি ইপা লৈত্রে খঞ্জরিবনি। অদুবু ইতৈমা, ঙসি ঐগী মরুপ্পা মপী-মপা লৈত্রবা যন্নাওগুম্না মায়কৈ খংদনা চেল্লম্বা মতম অসিদা ইতৈমনা লেপ্তুনা লৈবীবম্বসিদি ঐ ঙকই।

মালেমঙাম্বী ঃ নোংদম্বা।

(মতাংসিদা মালেমঙাম্বীনা পুন্সীবা পুশিনখি)

নোংদম্বা ঃ তাচৌ - ঙসিদি তাচৌদসু ব্রা অমত্তা হাযজগে পুন্সীববু তাচৌনা শেম্বীরে. পুন্সীবগী মমা-মপা হাযবদু তাচৌ অর্মদি ইতৈমানি। তাচৌগা ইতৈমাগা লৈত্রবদি মানা কাঁব ওইগনি? তাচৌনা মাগীদমক্তা বাখিবশিং সমাজ অর্মদি ননাওনা লেংদনা শাক্ষি লৈজনি।

(গোবোবদা ওনশিল্লগা)

তাচৌ- অমুঙা শম্বনীযু, ঐখোয অসুম্না তৌববদি ঐখোয যাম্না লৈখা তাবগনি। শাওবিগনু তাচৌ - তাচৌনা ফনা শাওবা লৈববসু ননাওনি খন্দুনা মাবু ঙাকপিযু। পুন্সীবসে তাচৌনা অমুত্তা কনবীযু। তাচৌ নত্তনা মাগীনি হায়বদা তাইবংসিদা কনাসু লৈত্রবনি।

গোরোবা ঃ মদু ওইররোইদবা ব্রারেম্নী।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ ঐসু ঐগী মরুপকীদমক্তা হোৎনবা য়াবা হোৎনজগনি। নুংশিনবা হায়বসিবু পোকমিন্নবা মচিন মনাও নত্তবদি য়াদে হায়বা অকক্লবা ব্রায়েল লৈব্রনে তাচৌ?

গোরোবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ তাচৌনা ঙসি ওইবিবা ফিবম, তাচৌনা তিন্নরিবা শঙ্গা, মাংথরক্লিবা তাচৌগী শক্তম ঐ খাংবা ঙমদে, ঐ য়েংদুনা লৈবা

ঙমদ্রে। মুন্না খল্লগা শেমদোক্লুনা ঐখোয় ইচিন-ইন্নাও লৈরবসু লৈত্রবসু নোকমীন্নদুনা নুংশিননা হিংমিন্নবদুবু নুং ঙাইরোইদ্রনে তাচৌ?

গোরোবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ ঐনা ইতৈমা অমদি তাচৌগীদমক করিসু তৌবা ঙমদ্রবসু, তাচৌনা শিগদবা মীকুপ্তদি তাচৌগী মাংদা চোংথোক্লুনা থবায় থাবা ফাওবদি ঙমগনিনে তাচৌ।

গোবোবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ তাচৌসু অমুক্তা খন্থবীয়, ঙসি তাচৌনা পুন্সীবদা য়েংলিবা মীৎযেং, ঙাংলিবা বাঙাং চৎলিবা শাজৰ্গসবু চুন্নীবরা? ঐখোয় মীওইবা মশেন্নী, অদুগা লন-থুম হায়বসিদী হিংলিঙৈ পুন্সী মতেক খবগী মীওইবু খুবৌ চেলতন্নবা থাকপা লাংনি। মদুদা মীপুম খদিংমক হন্দোকফম খংদনা হেক হেক লম্মুক্লে। তাচৌসু মদুমক্কী দশা অদু তাবা ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমা ওইবম্বসু য়াই।

গোরোবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ তাচৌনা ঙসি খল্লিবা রাখল অসিমক মাংলমচৎতা লৈরমলগদি করিগীদমক মাবু মী ওইনবা শেম্বিবল্লিবনো? মাবু পীক্লিঙৈদা হাৎতোপিরম্বনা হেন্না ফৎতবরা?

গোরোবা ঃ নোংদম্বা?

নোংদম্বা ঃ ও। ঐ লানখ্রমাল্লে, ঐবু ঙাকপীয় পুন্সীবসে কনানসু খওইবিদ্রবনিনা ঐ মাবু পুজখ্রগে। চারসু চাদ্রসু ঐ মাগা লৈমিন্নজরক্লগে।

গোরোবা ঃ নোংদম্বা ঙাইখো, করিনো ইয়াম্বগী মীৎতা উরিবসিবো, নোংদম্বা, ঐদি অঙাওবনি, অপংবনি। ঐনা ফত্তবা শঙ্গ তিল্লুবদগী ওক্তবা লমচৎ চৎলুরে, ঐগী অপাম্বা অনিংবদা ময়াম্বা অমা ওইনা ফংহন্নিংবা, ইমুংগী য়াইফনবা খঞ্জদুনা অয়েৎপা পিরকপা ইনাওবু ঐনা যেরুবা ওইনা খল্লুরে। ঐ অসি কয়াদা পংখ্রবনো?

নোংদম্বা ঃ তাচৌ মীওইবগী খোংথাঙদি অশোইবতনা পিক থল্লি।

গোরোবা ঃ নোংদম্বা ঐ লানখ্রমাল্লে। নঙগী মরুপ অসিবু । হৌজিকপু ..

নোংদম্বা ঃ (ব্রা মরক থৎতুনা)

তাচৌ মতম লৈরি। ঐনা নহান পুক্সীববু পুরুবদুসু ডাক্তবদা তান্নরুবনি। ডাক্তরনসু কৈসু অরুবা নত্তে সাইকোলোজিকেল্লি পেন্দবা অরাবা বাখল কয়ানা তৌবনি হায়বকই।

গোরোবা ঃ (ঙাইহাক তুমিন খল্লি)

অদুদি লায়েংবা তাবা নত্তরা?

নোংদম্বা ঃ মানি তাচৌ। মাবু হান্নগী পুক্সীদা হঞ্জিল্লকনবা লাযেংবা তাবনি।

গোরোবা ঃ অদুবু হৌজিকপু ইয়াম্বগী ফিভমসিদা . .।

নোংদম্বা ঃ তাচৌনবু লেপ্পিরবদি ননাও লৈজরি।

গোরোবা ঃ নোংদম্বা নঙ ইয়াম্ববু চীংনগনু। ইয়াম্বদি অপংবনি অঙাওবনি মীনা ঙাংবা ইনশিন্বা কযাদা ঐনা মরম চাদনা অপংবা উৎলুবনি ঙাসিদি ঐ ভাব তাবে। ঙসিদি অপংবা ঐসে নঙনা মঙান অমা ফংহনল্লবনি। নংগী মরুপ্পু লায়েংদবা য়াদে নঙনা মতেং খবা পাংঙু।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ ঐসু অঙম্বা মতেং পাংজগনি। ইমুংদা চংসি অকুপ্পা বা তান্নরুসি।

গোরোবা ঃ লাও নোংদম্বা ইয়াম্বনবু কবি খংগনি, পুন্নমক নঙনা শিনগদবনি। লাও ইমুংদা তপ্পা খন্নরুরসি।

(চংমিন্নখি)



তরেৎসুবা উৎপা

মফম ঃ ইবোহলগী য়ুম

মতম ঃ অয়ুক পুং ৯/১০ তারকপা

(ইবোহল ফৈজোম শেৎলি, য়াম্না নাম্না থবক অমা চৎনবগীদমক থোক্লকই)

ইবোহল ঃ ইচা ইমৌ লৈজবকাইসে ওহ্লোক্লা নুংঙাইখ্রেদা। মসিসু ওহ্লোকপা লান অমদা লৌত্রৌবা ইদুনি। অদুবু পুকচেল শেংবি ইমৌসিনা ঐখোয় পুন্নমকপ্ কন্দুনা ফত্তবদ মক্তি থোকহৌদ্রে। হৌজিক্তি ইমুংসে শান্তি হায়বদু ফংলে। নুংঙাইবে সিদগী হেন্না নুংঙাইবা অমা লৈত্রে।

(ইমুংদা ওন্সিল্লগা)

ইবেম্মা, হাইনখোয় ওাবিবনে। ইপাগী বেগতু অমুও' পুথোরকউ।

(থাবিকথা মকোক খুম্মী মৌ অমা ওইবগী চপ চানা ফিজেৎ লৈতেংঙি, লিবি খোইবি থোবক্রগা বেগ পুথোবক্লগা যাম্না ব্যেবহার তৌদুনা।)

থাবিকথা ঃ পাবুং সিদা লৈজবে।

(যাম্না হঙ্গোযনা ব্যাবহাবগা লোযননা তেবলদা থম্মী)

ইবোহল ঃ যাবে যাবে থম্মো থম্মো। চাক ঈশিংদি লোইশিল্লবরা?

থাবিকথা ঃ লোইজরে পাবুং?

ইবোহল অ। ঐগীদি থিরগা অদুম থনম্মো। ঐ কুইরোই, মী অমত্ত শৎ উন্নকখিগে। থুনা হল্লকনি।

থারিকথা ঃ ফনি পাবুং।

ইবোহল ঃ হাই খোইমুদি লৈত্রা মরা-মপাও অমত্তা তাদে কদাইদা চৎখি?

থারিকথা ঃ (ইকাইবপ)

লৈ পাবুং

ইবোহল ঃ কবিনোনে মানা হন্দক পংচৎতা চৎলিসিবো? কদাইদা কৈদৌবা চৎলিনি হায়বগে? ইমুংগী থবক ইনখাং লোইশিন্দুনা লৈগেদি হায়দ্রদনা।

থারিকথা ঃ (ইকাইনা)
খংদে পাবুং, হায়রুরবসু মানা থোকপা পংঙাংদা ঙাংঙি। পাবুংনা অমুক্তা ঙাংবিদ্রবদি . . .।

ইবোহল ঃ উম. ঐ ঙাংগে, মানা পংচৎ-চৎপা য়াবরো? হাই অদুগানে ইবেম্মা, নুপানা চৎপা শাজৎ নুপী নখোয়না চেকশিন্না য়েংশিনগদবনি।

থারিকথা ঃ খংদে হন্দক মরকসে নহানমখৈগা ইমান মান্নদে।
(খোইমু মশা নান্না থোরকই। মনাকোংদা হিয়ারীং এইদ হাপ্লি মীনা ঙাংবা ফজনা তারে)

খোইমু ঃ (মপা লৈবা উবদগী মাগী নুপীদা লক্লবোই কবিবোই)
হাই তাবিবরা? ঐ থবক অমা চৎলুখিগে।

ইবোহল ঃ মুন্না য়েংলগা অ আ! খোইমু।

খোইমু ঃ আই পাবা লৈনহৈ
(ইমুংদা চেনশিনগে ভৌই)

ইবোহল ঃ হায় ঙাইখো।
(খোইমু চপ লোপ্পি)
নঙ কদাইদা চৎকদৌরিবনো? নফি নরোনগকা নান্না শেৎলগা থোরকইদো?

খোইমু ঃ কৈসু চৎলোইদা।

ইবোহল ঃ অদুগা কবিগী নফি নান্না শেৎলগা থোরকইবনো হায়বনি?

খোইমু ঃ কৈসু চৎলোইদা, ঐখোয় পাবসিমা।
(শাওরকই)

ইবোহল ঃ করি ঐনা নপা তৌরবরা?

খোইমু ঃ আস ঐখোয় পাবগী ফরকসিদি শেৎলিহে।

ইবোহল ঃ করি ঐবু ফরককাইনা, কদাই চৎকদৌরিবনো হায়বনিনে?

খোইমু ঃ থবক অমা চৎকে তৌবনে।

ইবোহল ঃ কবি থবক ? হা কবি থবক্লো ?

খোইমু ঃ (খুম্বা ঙমদনা মমাই ফেৎ - ফেৎ লৈবগা)
কৈসু লৈতবা থবক্লিদা।

ইবোহল ঃ কৈসু লৈতবা ওইববদি চৎলনু-নফি হোংদোকউ। আ! মনিংগী লৈপনসি খব তাখৎলুচো চৎলু। নঙনা মথোং মবম খংদনা পংচৎ চৎপা যাববো ?

খোইমু ঃ চৎতেদা কনানা হাযবিনোনে।
(মাগী নুপীদা মঙক ইল্লগা)
মানা হাযবী ওইবিনি। নঙনা পাবদা পংতম তমশিল্লি কবিগীনো ?

ইবোহল ঃ ই ই। যেংঙুনে। মসি যেংঙুনে।

থাবিকথা ঃ তমদেদা ঐ কবিসু তমজদে।

ইবোহল ঃ ইমৌনা ওম্বা নত্তেনে ঐসু মীৎ পাল্লি, উবিবনিনে। নঙ হন্দক মহৌশাগা ইমান মান্নদেকো খোইমু।

খোইমু ঃ ও। ঐনা চৎলিবসে ইকাযদনা চৎলিবনি।

ইবোহল ঃ কনিগী ইকাইবিবা ? হা ? যুমদা লৈববু ইকাযববো ?

খোইমু ঃ মীনা যাম ঙাংনৈযে।

ইবোহল ঃ মথৌ লৈতবা কনানা কবি ঙাংনবিবা। ননাকোংদা মাইক্রফোন হাপ্পদগী মীনা ঙাংনবর্গশি যাম্না তাবেনে ইচাদি। মীনা কবি হাযনৈ ?

খোইমু ঃ মাগী খোইমুসি নুপী হেক থিঁডেদগী মপান শুকথোক থোকখিদ্রে মযুমদা। শ্রু শ্রু নৈশিন্দুনা লৈখ্রে হাযনা মীনা ঙাংনবিসি ইকাইদ্রো ?

ইবোহল ঃ (মমৌনুপীদা যেংলগা ইকাইবপ)
ইযা যা-যা অঙাওবসিদি যেংঙুনহে।

খোইমু ঃ পাবব ইকাইদ্রো, ঐনা চৎলিবসে, ঐসু বাখ্রপোৎনে থবক লৈতনা চৎলিসে।

ইবোহল ঃ হাইত! তুমিন লৈযু তানিংদে। নঙনা তৌগদবা ইমুং-মনুংগী, ইখোল শম্বল কোইদনা লৈযু।
(হম্ববগা)
শেবান তুবান ঙাংদনা, নঙগী ইমুংগী লৈতবদা লৈকায কনা লাক্কনা

পিরবগে? করি কান্নবা? হাই হাই চৎথোক্লমগনুকো।
(মমৌদা ওনশিল্লগা)
ইবেম্মা পাবুং চৎথোক্লুখিগে।

থরিকথা ঃ হোই পাবুং।
(মপা চৎখি)

খোইমু ঃ (মপানা চৎখিবদু হায়ফেৎ য়েংলুরগা, মাগী নুপিদা ওনশিন্দুনা) ঐনা ঙাইহাক ঙাইহাক কোইথোকপসি নঙনা পাবুংদা তমশিল্লিবনিনে।

থারিকথা ঃ তমজদে তমজদে, ঐ মদু তম্বগা শংজদে।

খোইমু ঃ ঙাইখো থারিকথা, নঙনা ঐবু পাম্বসি কয়াম পাম্মী হা? ঐ উদ্রবদি নঙ লৈবা ঙমদবরা? হা ঙমদবরা হায়বা?

থারিকথা ঃ তা খোইমু, নঙগী ফরক্তু হৌরক্কনু, ঐ খোইদৌ য়াম শাওগৎলকইকো।

খোইমু ঃ কবিগী শাওগৎলিবা?

থারিকথা ঃ ঐসে নঙোন্দা লৈবদগী মাংলবনে, মাংলবা।

খোইমু ঃ ওই নচিন থিবা, ইবেম্মা ঐসু নঙ পামপোৎতেনে, নখোংনা থোংনা লাকপগী লৌবিনগী ৱানিনে খংঙবরা?

থারিকথা ঃ হৌখিবদু হৌদোরক্কনুকো, নখোয় নপা নচা চংদনা ঐবু ফাখে ফাবিরগা।

খোইমু ঃ মদুগী বদনামদুদি তৌনু। ঐ নঙগী নগুন চপ চানা খংঙি।

থারিকথা ঃ ঙসি ঐনা শাওরক্তনা থোক চৎখিনিকো।

খোইমু ঃ কদায়দা চৎকদৌরিবা? হা কদায় চৎকদোইনোবা?

থারিকথা ঃ কদায়দা চৎলুনেগে, হৌজিকসু হন্দ হল্লকউ লৌগে হায়বা কোকথোং অমা লৈজাৎনি খংঙব্রা।

খোইমু ঃ (শাওনা)
কনা কনানো, মৌ হল্লকপী লৌগে হায়রীবা ভদ্রলোকশিংদো, হায়য়ু কনা কনানো? মদু পংফ ফবা কাঙবু ওইরম্মোইয়ে।

থারিকথা ঃ ফখ্রবজাৎনি ইবুংঙো ফখ্রজাৎনি, নঙগুম্বসিদি কচ্চানি কচ্চা।

খোইমু ঃ অস। শাওনিংখ্রেদা, হায় ঐসুনে ইনাদবু পংজে হায়বগী ৱানি, মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী কয়ানা কোইতান তান্নরীবনি খংবরা। নঙ চেল্লে তাবদা ৱাহ্নদনা ঈশিং থাদুনা লাক্লবা য়াম যাওনখ্রজাৎনি।

থরিকথা ঃ (ঙক্লা অমদি শাওনা)
কনানো লৈশাবীশিংদু কনানো হাযয়ু?

খোইমু ঃ (অমা হেক্তা খংহাই হায়দোকখি)
বিনা বোকুলমখোংগী বিনা।
(তৌশিন্নন্দুনা ৱাশিন্নরগা)
বিনা নঙ ঐবু ৱারৌগনুকো, হন্দক মপোকসিদদি ঐসে নঙগী লায়বক্তা তম্লমদ্রাল্লে। অদুবু ঐখোয় নুপীনা শাওদনা মপামদা হনখিবা নুমীত্তা ঐ নঙবু হেক্তা লৌবগদবনি।

থারিকথা ঃ ইস। কবিনোনে হাযরিসিবো?

খোইমু ঃ নঙনা ঐঙোন্দা হাযবদো ঐ কাওদেয়ে।

থারিকথা ঃ কবি হার্যবিবা হা কবি হাযবীবা?

খোইমু ঃ খংনবা হৌজিল্লু. শাওনবগা মপামদা হনখিনবা হাযবদো ঐ কাওদ্রিযে।

থারিকথা ঃ (যাম্না শাওনিংনা)
মদুগীবা নঙনা ঐঙোন্দা হন্দক ইবাং তৌরিবসে হা মদুগীরা? কনানো বোকুল মখোংগী বিনা হায়বীদো? মশক কয়াম ফজৈ?

খোইমু ঃ ফজৈ যাম্না ফজৈ।

থারিকথা ঃ মানা ঐঙোন্দগী করি হেল্লি?

খোইমু ঃ হেল্লি য়াম হেল্লি।

থারিকথা ঃ করিদা হেল্লিবা?

খোইমু ঃ শক ফজবা হেল্লি, ঙৌবা হেল্লি, ৱাংবা হেল্লি, মশম শাংবসু হেল্লি, মাদি খুজিনসু শুম শাংঙি

(মখুৎ ওন্নগা।)
মখজাইসু ডাণ্ডি, পিশুমসু ফোই ঐবু নুংশিবসু মালা হেল্লি, ঐবুসু লুনা তৌবি, নপী খিবে খান্না খংনা নুংশিবসু যাম হেল্লি।

থবিকথা ঃ (খংলাও লাওই)
যাবে তোকও। যবে যবে ঐঙোন্দগী তেনবি বোকুল মখাংগী বিনাগা লৈমিন্নহৌবোবে। ঐদি চৎলনি। ঐবু লুনা তৌবিগদবা কনানো অমা থিবগা লৈমিন্নববগে। ঐগী পোৎচৌশ সে হাবেন মী থাবক অগা লৌহিল্লবগে। অমত্তা থাক্তনা পিবকউ।

খোইমু ঃ যাই যাই পুখো লোইনা পুজখো, অমত্তা থনম্মশন্ন বাই চিল্লি।

থাবিকথা ঃ (যাম চাক্লা)
নওদদি নঙ্ঙদদি
(খুদোংঙৌনা মমী-মপাদা চব চব খিল্লি)
নী চংখ্রগা নও ওনে নুংঙাইহৌবাকা। নঙন্না ঙাইহৌনো।
(ইমু দা শাওনা চখি।)

খোইমু ঃ (ইমুনা চখিবদু যাংলা পাখংনা)
ববিনে কমানা চংলগে হায়না ইমু লোমদা অমুক চখ্রিসনা। যাই মখিগা হোল্লিমালনে। সাগি কাগিদগী ঙসি নাওচনবোইসে আই মাই ববিগোন মালা তৌবসিবো কমদৌনি নৌবসিদি থাবিখাসি যাম শাঙ্খ্রসে। ঐসু কদাদগীনো বোমমাখা গা সিনাগাইনা থোক হেক হায়জিল্লুই। অসুক বুইবসি মাংনা যাবনঙনা চক শাগদবা খিংজা ঙাইকদা মসিসু লাব পোই ফোই পোই যাবাই লৌহৌবগা অমুক চৎখ্রন্দি ঐ কাবক কাওহৌনিসে।
(ইমু দা যো লুবগা।)
হাইমা হাউমা মফি যামদুনা থোবকএনে কমদৌনি সিদি কাংদে মসিদি কদব অমা তৌবগে
(মবুক থিন্না শাজিন্নে)
অস অগো অযো অযোইমা ঐ কৈনোমা তৌবে অযো অযো যো যো।

(নাহেশিন্নৈ)

ছুম-ছুম

থাবিকথা ঃ (থোবকই, মুন্ন যেংঙনা)

শিগে শিহৌবো চংগে চংহৌবো। নঙসু নঙগী থোকপা, ঐসু ঐগী থোকপা, ঐ চৎলগেকো।

খোইম্বু ঃ অযো ইমা, ঐবু কবিনো তৌবিসিবো, ঐ কৈনোমা তৌবেমী, থাবিকথা।

(মবুক নম্মি থবো থবো ওল্লি)

থাবিকথা ঃ কীবক্কনু কনাগী থাবিকথানো [illegible]। মখোংগী বিনাদু [illegible] কীহল্লুচো।

খোইম্বু ঃ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐবু কৈনোমা তৌবনে

থাবিকথা ঃ [illegible] অমুক। তৌবকঅং [illegible] ঐ [illegible]।

খোইম্বু ঃ [illegible] কনমল্লিরে [illegible] অমুঙদি [illegible]।

থাবিকথা ঃ শা জদ্রে শা জদ্রে

(চৎকে তৌই)

খোইম্বু ঃ ([illegible], মবুক [illegible] মখা [illegible]

[illegible] নঙবো [illegible] চৎলদৌবিনানোমি।

থাবিকথা ঃ [illegible], [illegible] চৎকেসে।

খোইম্বু ঃ অমুক হাবিদসু ঐ লেবিসিদি।

থাবিকথা ঃ [illegible] নঙদি পামদ্রবদো পামদ্রবদো।

খোইম্বু ঃ (চৎখি তারে খন্দুনা [illegible] লাঙনা)

[illegible] নঙবো।

থাবিকথা ঃ (কদবনি হাযবা খঙবদগী)

[illegible] লেংবা ফবববা [illegible] নঙগী কদবদুনগদি ঐঙোন্দা চৎনবা যাপাংতে।

(কাপ্প)

ঐগী কবি বাৎকনি। ইবুং লৈনী। নঙনা ঐবু উশিৎ খওইদদনা পংঙাং ঙাংবা ঐখোয তামো ওক্লগা নঙ ফুহনগদৌবিনি। খববদা হাপ্পগা নহারোলনা নোংমৈনা কাপহনগদৌবিবনি। থাদোকউ চৎকে, ঐবু উশিৎতনা।

খোইমু ঃ ঙাইখোবা অমুক্তা ৎপথখো।
(ইন্থোক-ইনশিন তৌনবদা মনাকোংদা হাপ্পা হিযাবিং এইদ ওখি, শেবান তুবান ওাবকই)

থাবিকথা ঃ থাদোকউ চৎকে, ঐবু নঙগী মীনাযবো, নঙনা লৈহন্নিংঙগা লৈবা, লেহাল্লিংদ্রগা লোকপা যাবা মীবো, ঐবু নঙনা লৈবা মীনাযবো?

খোইমু ঃ (শেবান্নবা ওবদর্ণ খংশাও শাওবকই)
কনি ঐ লোইদগী ওাগে হাযদুনা ওার্নি। নঙ নবল নযাম লৈনা মালে হা নঙনা এবু লেংো হাযবদি, ঐ কমা পি খংদবা থা? নগী মমল নযাদনা।

থাবিকথা ঃ (ইচক চুনবা)
নকা হামুক লৌবকইসি, চৎখোদা।

খোইমু ঃ কাব চংওবেৎ বহিনা ঐবু লুপা ... পি হাযবদি লোই নপানা হাযবনা? হা নঙ চসি চৎখি যাবেই
(চৌথি পাংদুনা খামংগ হাগে)
এবু লুপা চংওবেৎ পি হাযবাদ নঙদা হাৎলগা। লোইবে। নঙ চুবেলদা ওাওনিংববা? লম্মা দা ওানিংবনা? খোবি ওইনা যাগিংবনা?

থাবিকথা ঃ কেলে লৌনিসিবো। ইস দিক নিক্ষু কেলো মান ডা এসিংগা। ও। (মনাকো দা হাপ্পা ওাব উবাকই। খোব পাইনদা হার্পচিনা) ঙাইখে নঙনা ইজিন ঙা দু কনিগা? হীগজি নঙনা হাবনা ৎএা?

খোইমু ঃ ডম হাবে।

থবিকথা ঃ (ওপ্পা অশাওবা ফাথবগা)
হাযযু ঐনা নঙবু লুপা চাতবেৎ পি হাযবদি ঐনা বদাযদা হায হা? হৌনপ্পা ঐনা কদাযদা হাযবগে?

খোইমু ঃ (মখুৎনা মনাকোংদা মাই, মা ভাব ওাবকই, ইকাযবকই)
ও। ঐ শেবান তুবান ঙাংখ্রমাল্লে। থাবিকথা ঐনা নঙোন্দা লক্লগে

তৌদনা পংহাই হায়জিনবনি. নঙ ঐবু শাওগনু নঙ চৎপা যাবোই,
ঐ নঙোন্দা খুরুমজবি জয়-জয়
(পাকঙবগা খুবম্মা)

থাবিকথা ঃ (হন্দোকই)
কেনো কৈনো তৌবিসিনো? তৌহৈদেসে।

খোইমু ঃ ঐ লাল্লে মতুংদা অমুক হায়ববোই, নঙ চৎখিনুকো

থাবিকথা ঃ কবিগী নঙদা ফাগী তৌবদা যাম্না মান্না। তৌবি?

খোইমু ঃ নঙ ঐবু থাদোক্লুনা চৎখিনুকো।।

থাবিকথা ঃ চৎলরোইয়ে।

খোইমু ঃ নাশকউ।

থাবিকথা ঃ নাশম্মা।

খোইমু ঃ নাশক ভ চৎলোই হায়না

থাবিকথা ঃ নংগোইগবে সেত্য, যাবনা

খোইমু ঃ যারে।

থাবিকথা ঃ নংদু ঐবু থাদোকপিনরে।

খোইমু ঃ থাদোকলোই।

থাবিকথা ঃ চাদুদি নাশম্ নাশকউ। নাশকউ।

খোইমু ঃ (হসে) সেতানা শাম্বু নাক মাপক চানেৎনা নঙবু ঐনা
থাদোকরোই।

(অনিমক চবাওনা চৎমিন্নখি)

— —

নিপালসুবা উৎপা

মফম ঃ গোরেবগী য়ুম

মতম ঃ নুমীদাংবাই

ইবোহল ঃ (যান্না মশা নান্না মুক্তুনা লাকই. কোইনা যেংই)
মাই য়ুমশিবু, অা' ইংখোল শম্বলগশিদি ফনা ফজনবু রোইবিনে. থবক ঙনবা বদি শুক্রবা ফাংনিদনা, ঙাই গোবোবা হবু [illegible] গোবোবা নাইবু লৈব্রনে?

থোইথোই ঃ (থোক্লকই)
কনা [illegible]বনো?

ইবোহল ঃ [illegible]নি ইংখোল্না নবু, লৈব্রো?

থোইথোই ঃ ও' [illegible] [illegible] ঙাচৌদি লৈরে চংথোকখি।

ইবোহল ঃ নাইগী ইংখোলসিদি কনা কনানা রোই?

থোইথোই ঃ ইনস্মগা ঙাচৌগা [illegible]।

ইবোহল ঃ মমম মানইদা ঙাচাংদি দা। নাংগ গোবোববু [illegible]বান শামব [illegible] থনপা [illegible] হানারো'

থোইথোই ঃ হংদে ঙাচৌদি থবঙা শুদনা [illegible] য়ু থনপসু উঁখিদবা নইবে।
(পুক্সীনা হাবকই [illegible])

ইবোহল ঃ অদুগা ইংখোল্না নবু, অমা কবিনো [illegible] অা [illegible]লোনদনা।
বানচিদনা লায়েংবা পুকই হাযবদুদি ফববো?

থোইথোই ঃ ফরে।

ইবোহল ঃ নত্তে নবু যাইমাদুবু এম এ নি হায়দাযনে?

থোইথোই ঃ হোই খুবা।

ইবোহল ঃ এম এ লোইবগা থর্বক্তি ফংদবা, পাম্মুইদা। নঙ তাচৌদু অমুক্তা উন্নগে লাকপনি। অদু খুবা চৎলগে, নঙ তাচৌদু লাক্লগনে ঐ লাক্লম্মী হাইনা তম্মু কো। নখোযগী ইংখোলসিগী মবমদা বা অবোইবা অমা ঙা'নগদবনি।

থোইথোই ঃ ফনি খুবা।

(লৈথোবকপদা পুন্সীবা থেংনৈ)

ইবোহল ঃ এহ' ইবুংঙো নযাম্বদু লাকঅগা তম্মু, নখোযগী ইংখোলসে ঐনা লৌবা নাবে। নযাম্বনা নঙগী লাযেংবগী মতাংদা লুপা লিশিং নিফু অদুগা হান্না লৌবগা পুন্না লুপা লিশিং ঙমফু শুববনি। পুবানা অরৈ অযোন বেজিল্লাব তৌনববনি। হৌজিক হাযর্নাখবা থানখিবা মতমদগী যান্না হেল্লবনি। হৎচিৎ তাং ১৫ নিংথৌকাবশিদা মীং ওন্তোক্লগদবনি। শাযবা যাদে হাযনা নযাম্বদা তম্মুকো, খুবা চৎলগে।

(চৎখি)

থোইথোই ঃ তাতোন নঙ কদাই চৎথোক উবনো?

পুন্সীবা ঃ ঐ কৈসু চৎতে। থোইথোই ঐ নঙগান্দা বা অমা হংগে তাচৌগা ইতৈমগসি কদায চৎলিবনো, হন্দকসি মবানিমক যুমদা লৈতে নুমীদাংবায থেঙনা থেঙনা হল্লকই।

থোইথোই ঃ থবব শুবা চৎলিবনি তাতোন, ইনম্মসু তাতোনসু মীগী যুম শাব যাওই হায।

পুন্সীবা ঃ কদাযদা বনাগী যুম?

থোইথোই ঃ খঙদে।

পুন্সীবা ঃ (ওইহাক খল্লবগা)

মপাঙ্গলনা ইহৈ তমহল্লকপা, মবৌশিংনা ইবুক থাকপিবকপা, ঐগী লাযেংবগীদমক যুম ইঙ্খোল যোল্লবা, অদুগা হৌজিক্তা ইতৈম ফাওবা যুমদগী মপান থোক্লুনা চজিবা শুববা।

থোইথোই ঃ তাতোন, ইবানিসু থবক শুনসিবা?

পুন্সীবা ঃ (মচলগী বাদা মথাম নুংঙাইতে)

ইচলবু য়াম্না ৱাবনরনে? চৎলু ইমুংদা চংঙু নঙনা অদুম্না খনবা হৌনদে। অদুম্না হায়বা হৌনদে - চংঙু ইমুংদা ।
(চংখি)
(পুক্সীবা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি, বাখন খল্লি, চিঠি অমা য়াম্না থুনা ই. পাথরকই)
তাচৌ, ইতৈমা: ঐ নোংমা নিনিদং যুম থাদোকপা তারে, য়াম্না বাবীরমগনু। অদুগা তাচৌ. ইতৈমানু মীগী য়ুম শাবা থবক শুবদা য়াওহনবীগনু।
(চিঠি খুপর্চিল্লি)
অদুদি চিঠিসিদি কদাগদা থনমগনি, ও। তাচৌগী ফম্মুং ময়াগী তেবলদা থম্মুবগে।
(থুনা চংখি)

--- --

মাপালশুবা উৎপা

মফম ঃ গোবোবগী য়ুম

মতম ঃ অয়ুক

(জিপ গাড়ি অমা খামখিবগী মখোল তাই, খোইমু চংলকই)

খোইমু ঃ ইবা গোবোবা লোইদ্রিবনে। লৌই হোৎনে অ। কোর্টতা লাকএবদি লোইনা শোইনা লৈরবনা, ঐখোয় গা উৎনা বায়দুনা পুন্না চৎমিন্নখ্রসি হায়দুনা নখোয় দা তৌজিনকইবনিনে। ঐখোয় পাবুংসু য়াথংলকই।

ইবোহল ঃ (খোনকই, ফিংলপ)
হাই খোইমু
(ফাইল অমা পায়)

খোইমু ঃ পাবা।

ইবোহল ঃ মোইবু লোইদ্রিবনাদে।

খোইমু ঃ খঙদ্রে পাবা।

ইবোহল ঃ হাই চৎমিন্নদ্রবদি হায়রেন অমবগা খুদোংচাবা অমুক য়েখোবা ইসিং তৌদনা লাকপনিদে। অমুক হৈখোবনবদি ঐনা মাংখ্রে শেনসি নমাগো।

খোইমু ঃ পাবা ইংখোলসিবু ঐখোয়না লোইনা লৌরবো?

ইবোহল ঃ লৌদনবু নামজারি তৌগদৌবিরসিনি।

খোইমু ঃ নমদনগদি লৌবোইসিদা পাবা। মী শাওববদি ঐ গোবোবা খংনবদি কিজেকো। পিশক পিক্লাউদগী মানদা ফুদুনা লাকপদি কিজে পাবা।

ইবোহল ঃ হায পাংদবা চাকযাম চাবা, মীনা ফুবগী বাদা ভাংভিনে মসে।

খোইমু ঃ পাবা গোবোবদি শাখিবনিকো পিকইঙৌদা মানা পুক্তা তোংঙগা চুবাদা থাখিবৈ হৌজিকফাও নোংথি নোংমঙবদা খোঙদা চিব পা হৌবিবসিনি। ফজনা নিযমদা তৌসি নওবদি ঐদি কি হার্যবির্বসিনি।

ইবোহল ঃ কবিনোনে চাকযাম চাবা নঙনা ঙাংঙিদুবো?

খোইমু ঃ পাবা, পাবাদি অহন্না শিববসু যাবে, ঐদি নমৌদু নহান্দা লাকইবনি বাখল খন্দবা যাদে পাবা। হৌজিক মতমদা বাখল খন্দ্রবদি পুঙ্গাসে কালেনদা হৈনৌ মচা কেনগুম কেন্নবিসি উদ্রা?

ইবোহল ঃ হাযবা ঙাংনু, পৈশাবু লৈববদি দুনিযাসে খুল্লোকপি মবনি খংলববা?

খোইমু ঃ পাবা ঐ চৎলম্মগে গোবোবসে শুকথোক থোকলক্তে। পাবানা হাযবদু মানা যানিংদবা ওইনি। মাই পাখৎ ওইবিদৌনী কমথি অমা লৈবনি, মদু পাযবগা থাক্লকঅর্বদি ইপা ইচা ঙসি লম জেন চেন্নিকো।

ইবোহল ঃ খোইমু।

খোইমু ঃ ঙাদে বদি হাযবনে?

ইবোহল ঃ কৌনে হবো।

খোইমু ঃ (ওপ্পা কিবপনা)
গোবোবা

ইবোহল ঃ বরা কৌনে।

খোইমু ঃ পাবা ওইনা কৌদনা।

ইবেহল ঃ ইহে, কৌবোনে খে ভেনে।

খোইমু ঃ পাবা বো । ঐ কি

ইবোহল ঃ পু সি ওবা হেন্নেরে হোরেন কাটি ডা অমক ন ডানইরে।

খোইমু ঃ পাবা ঐ গাবাদা লৈ ম্মগে পাবগা হোরেন যান্নদনা খৎলবসু চেল্লগা থানাদা পাও পিকননা। অদু পাবা ইঙ্খোলসে মানা পান্দা ইবাই লাযনা পিলক্কনি হায়নদি খননু, মাগী মখোং একক পান্না মমাই চনী লোবো কদব অমা লৈবনিকো পাবা মীগী ফবিৎখাও মনুংদা যাওবা পৈশাবু মমিৎ উইশিল্লগা মশিং চুম্প হাযবা ঙম্বা, নোকশিন নোকশিন্নবগা মীগী যানুংদগী কোৎলগা মযাদা হাপ্পা ঙম্বনিকো পাবা।

ইবোহল ঃ হাই মাদুবদি মা ওসি ফুদৌবিবনি খংঙববা। মানা লৌবিবসি লুপা লিশিং যাওখৈ হুমযু হেল্লবনিনে।

খোইমু ঃ মুনৌ ফুনৌ পাবানা মথক থংনা উবগা চংওক্কে মখা থংলবদি [illegible] ওইনা ওাইবম্মগে।

ইবোহল ঃ [illegible] কয়া মবিন যাওদ্রিবনোনেশে।

খোইমু ঃ [illegible] ঐ গাবীদা ওইবম্মগে পাবা

([illegible] থাবকপদা গোরোবা খোংনৈ, কিনা)

[illegible] ঐ যাওদবে। ঐখোয পাবাগা [illegible] ঐ গাবীদা ওইগে। [illegible] লুপা লিশি অনীদো মদসু [illegible] ঐ [illegible]

([illegible])

গোরোবা ঃ [illegible]।

ইবোহল ঃ [illegible]

[illegible]

[illegible] পুঃ [illegible] নাস।

গোরোবা [illegible]।

[illegible]।

ইবোহল [illegible]

গোরোবা [illegible] ঐ, [illegible]।

ইবোহল ঃ [illegible] অদুগীনুদি [illegible] যাদবা [illegible]

গোরোবা ঃ [illegible] ঐ কবিমতা আপতি লৈজদ্রে। ঐ [illegible] শুম খঞ্জবনি।

ইবোহল ঃ হল্লোনে [illegible] মতম লৈবিনে। ঐ নমদনা লৌগে হাযদেনে।

গোরোবা ঃ চম্মী হুবা ইবুংঙো।

(নোংদম্বা থোবকই)

নোংদম্বা ঃ এ। মাম্মা, মাম্মাসু লেংনিরকই। তাচৌ ঐ পেশা পুবক ণ, শে তাচৌ।
(গোবোবদা পি)

গোবোবা ঃ (লৌদে, নুংঙাইতনা)
নোংদম্বা ইনা ঙনা যাম্না ব্রাবিবে, ইনাওগী লমনসে নখাশ্বনা শিংবা ঙম্লবোইদবনি। ইঙ্খোলসে খুবাই বুংঙোনা লৌখ্রসনু, ঐ পিথোকঅগে লেপ্লে।

নোংদম্বা ঃ কবিগীনোনে তাচৌ।

গোবোবা ঃ নঙনা পুবকই বর্সিদ লুপা লিশিং কুন ঙইবিনি। নংাম্বনা অনাৎপমখৈ থিগে হায়দনা তোংনবনি নাৎলিবদি তম্লাগ হৈরি, ইযাম্বা ঙমদ্রে উপায় লৈদ্রে, নঙগী পৈশাদো পার্যাশিল্লো।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ।

গোবোবা ঃ কৈস্ খল্লুবগনু নো দম্বা।

নোংদম্বা ঃ [illegible] চংগাদবদু হান্নবা লোয়না [illegible] মগাদবা।

গোবোবা ঃ [illegible] ইনাও লৈনি ইযাম [illegible] কৈস নাদে [illegible]
হৈ। ঙগীদা ম [illegible] খবা লৈবগা লোইনে।

নোংদম্বা ঃ অদুগীনুদি মাইদা ঐসু ইথন্তুনি। অদ পুন্সীবদি ?

গোবোবা ঃ [illegible] নাম্মা নিনি [illegible] হায়বন্মী।

নোংদম্বা ঃ কদায় [illegible] লিবাগেংলোনে

ইবোহল ঃ [illegible]।

নোংদম্বা ঃ মাম্মা।

ইবোহল ঃ মাম্মগীসি নুংঙাইতনা তৌবনু। নোই নচিনা ননাও [illegible]
কনিনো মাখদি হৌনবীসি তৌদবা যাদ্রে।

নোংদম্বা ঃ অদু মাম্মা মতম থবা ঙাইবিবদি ?

ইবোহল ঃ মদু কৈস্ কাইদে, ঙসি নামজানি তৌবসি। নোইনা লেবা মতমদা ঐঙোন্দগী অমুক লৈরো ঐ কনাদসু যোল্লোই। তৌবদদি ঐগী মীংদা ঙসিদগী থম্লগে।

গোবোবা ঃ নোংদম্বা ইযাম্বা খম্বা যাবা খল্লবনি। বাসি তেনশিল্লসি।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ।

(মালেমঙাম্বী, থোইথোই থোববই তুমিন্না তাই)

গোবোবা ঃ মালেমঙাম্বী, থোইথোই। নখোয় নুংঙাইতবা তৌবনু ইস্কোলসে মাম্মদা ঙসিদগী পুবানা পীবা তারে।

নোংদম্বা ঃ তাচৌ।

থোইথোই ঃ (কপঙাং)

তাচৌ অদুদি ঐখোয় কদাইদা লৈগনি?

গোবোবা ঃ মী ওইববু শিবা যাত্রানে ইচনসিদি।

থোইথোই ঃ ওহ্। ইনম্মা, ঐনা, ঐনা থাজবা লৈহাও পাম্বাসিদি কবম তৌনি ইনম্মা।

মালেমঙাম্বী ঃ থোইথোই।

থোইথোই ঃ ইনম্মা, ঐনা নেংমতা ওইববস্ মানা শাৎপা ভজগে হাযদুনা অসুব কুইবসি ঙাইজবকপনিকো। ইনম্মা।

মালেমঙাম্বী ঃ থোইথোই কপকনু।

থোইথোই ঃ ইনম্মা ঐনা মাবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবদি মাদি শোইদনা ঐগী বাখলদা মান খুদি মব ক লগনি। ঐসু ঐগী ইনম্মায় অসে মহাকা ক ন মতমদদি শায়দনা কংলগনিকো ইনম্মা। তাচৌ যোংঙু ইস্কোল থাসনা। ঐবিবা হৈপা লৈপাল উপাল বাপালশিংসে লোয়না ... লনথরে তাচৌ। যে উ তাচৌ বাবাগী মোংফমদা ইমানা থাজন হৈনৌ পাম্বী অসি তমিনা লেপখ্রে। ইমানা হৈনৌ পাম্বী আসনা মখোদা ফমদুনা কয়াবক্লো পোথাজখিবা, মসি পুন্নমক অসিক মচা ঐগোম্বনা মীগী মথুও। লোয়না শিন্নথোক্লগা কদাইদা চৎতৌবিগেনি তাচৌ।

গোবোবা ঃ ইবুংগী থোইথোই

(মচলনু কোনবি)

মালেমঙাম্বী ঃ মোং তমো ঙসিদি লোয়না চোংথোবক্লে, ইনেম অদুনা হৈনৌ পাম্বা অসিগা মখোংদা ঐবুস্ পুশিনবীবগা নঙনা ঙসিদগী ইনেমগা

মহুৎ শিল্লবনি, যুম অসিগী মমা ওইববনি হাযদুনা তাকপিবম্বনি মাই তামো ঐ যুম অসি থাদোকপা ওমজবোই।

গোবোবা ঃ মালেমঙাম্বী।

মালেমঙাম্বী ঃ খুবাইবুংঙো, নচানা হাযজবি হিংগোল অসি লৌবিববস্ যুম অসিদগীদি তাথোকপিগনুকো। যেংঙু ইচল অসিনা মনম্মা ঐঙোন্দা মমাগুম ওইনজদুনা পোং খুদিংমক খুদোম্বী থিন্দুনা কপচাবিবসে মসিগী চৈনাখোলদি যুম অসিগী মমা শক্লবরী ঐঙোন্দনিদো খুবাইবংঙো।

গোবোবা ঃ মালেমঙাম্বী।

মালেমঙাম্বী ঃ থোইথোই লাও পুন্সমাপসি কংনাবা ওম্মদ খুবাইবুংঙো অসিনি। খুবাইবুংঙোদা চংলি অমত্তং তৌসি
(চংশিন্দুনা খুবাংগা [illegible] তৌই পুন্সীবা লাকই মযাম ওক্লে)

পুন্সীবা ঃ হৈ তেমা থাইথোই তাচৌ [illegible] দম্মা
(মথ, মথ, কৌই)
ও। [illegible] লোবীবকইদ।

ইবোহল ঃ [illegible] ইবু পোনখোংগী ইন্দ্রোললসি লৌবা তারে হৌডিক নামজাদি তৌবা [illegible]। ইবু [illegible] নহাল হাযজবন্দুনি। খবাং [illegible] চঙা [illegible] লোকপদুদ পা থোক [illegible] নামদনা।

পুন্সীবা ঃ [illegible] পুন্না [illegible]

ইবোহল ঃ লিশিং হুমফুমঙা নি। নযাম্বনা লোইনা [illegible] চেটা সু লৈব।
(ফাইল উৎলি।)

পুন্সীবা ঃ চুম্মমগানিদা খুবা।
(নযাম্বদা।
খুবাগী শেলদ্ ঐনা পুবক্লে তাচৌ।
(ফুবিৎ মনুংদগী মযোম মযোম পুথোবকই)
শে খুবা সি অমুত্তা পাইশিনবিযু লিশিং হুম্ফুমঙানি।

ইবোহল ঃ ই। নুংঙাইবেদা, মঙগা চপ হেক মান্নেদা। শে-শে নযাম্বনা ঐগা ইনবা চেদো নাখোয শেগাইজবো।

(চে অমা ফাইলদগী লৌখোক্লুনা পি, পুন্সীবনা হাযবপ যেংলগা শেগাই)
অদুদি ইচাশা ইমৌশা কপ্পা লাওনবনু, ঐ চৎলগেকো।
(চৎখি)

মালেমঙান্বী ঃ ইতৈমগী পুন্সীবা।

পুন্সীবা ঃ ইতৈমা।

গোবোবা ঃ পুন্সীবা।

পুন্সীবা ঃ তাচৌ।

থোইথোই ঃ তাতোন

পুন্সীবা ঃ থোইথোই।

(পুন্সীবানা মাগী মকপ নোংদম্বদা কৌগে তৌই অদুবু মঙোন্দা মুন্না শাওনা যেংদুনা লৈবঙ্গা উনদা বৌবা ওমদে।)

মালেমঙান্বী ঃ ইতৈমাগী ইবুংঙো ন গীসিবু কদাইদগী পেশানোনো?

পুন্সীবা ঃ ইতৈমা ঐ ঙসিদ তাইবং পানসি মশা ময়া খ ল। ঐগী অহৌ মকপ অমা ফ লে। মাগী মযাম্বদো চিপ হাঙ্জানযর্বনি। মহাক ঠিকা হোই। ঐগী বাবা লোযনা মাগী। মযাম্বা ইঙ্গোনযাব অদদা ওম্মা। ঐ মখোযগী থবক যাওবা তারে পশাশিং তসি ঐগী থবক্কা এলভাঙ্গনি। অদুনু অমুক হন্না শিংথাদবদ নংঙে। ঐ তৌজিক অমুক হন্না চৎপা ওবে। ইতৈমা ঐ শেন তাঙ্গাদবনি, নখোযবু অমুক হন্না নাইহল্লবোই। ঐনু মখোযনা থোঙ্গানাল ঙাইদুনা লৈরে।
(নোংদম্বদা গুনশিল্প, বাদি হাযবা ওমদে। মপি মখুৎনা তৈথোকই। চৎলগে হাযনা মমায লৈথোবকই)

নোংদম্বা ঃ (শাওনা অমদি বাবৌনা)
পুন্সীবা। নঙ ঐসি কবি ওইনা উই?

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা?

নোংদম্বা ঃ ঐসি নংগীদমক্তা ইযাদা চাগদবদু নযাদা ইঞ্জবগা পেঞ্জবা মীনি। নঙনা তাচৌ, ইতৈমা চমজববা ইচল থোইথোইগী মীৎতদি

উৎ চাইবা যাই অদুগা নঙগী হবচাংগা তুবুম খুদি দা হুন্বা মীহুৎ। মশিং শুনা খংলিবা নঙগী থম্মোয শেংলবা মবপ নোংদম্বগী মফমর্দাদ মীনম্বা যাবোই।

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ হায়যু শেলশিং অসি কদাইদগী লৌবকই? হায়যু শেলশিং অসি নঙ কদাইদগী লৌবকপগে?
(মশা পাইদুনা নিকই)

পুন্সীবা ঃ কবিনো নঙনা হায়বীবসে মবপ?

নোংদম্বা ঃ ঐনা হায়বীবশি শেলশিং অসিনি।

পুন্সীবা ঃ ঐ হায়খ্রে।

নোংদম্বা ঃ মদু যাবোই।

পুন্সীবা ঃ যাদনগী মনম।

নোংদম্বা ঃ নঙ [illegible]

পুন্সীবা ঃ [illegible] ঐ মতিক চাদে সিবা?

নোংদম্বা ঃ [illegible] খামনি।

পুন্সীবা ঃ [illegible] মতিক চাদি

নোংদম্বা ঃ [illegible]

পুন্সীবা ঃ [illegible]

নোংদম্বা ঃ [illegible]

পুন্সীবা ঃ নোংদম্বা।

নোংদম্বা ঃ হায়যু নঙ পাপ তৌবনা নত্রা?

পুন্সীবা ঃ পাপ তৌদবদি কনানো।

নোংদম্বা ঃ ঐসি মদুগা খুদম্নী

পুন্সীবা ঃ নঙগী মকপর্কী নাবু থাজবা ঙমদবা মদুসু পাপনী।

নোংদম্বা ঃ যেং অদুদি ঙসিদগী নঙগী সুম অসিদা খোঙ্গুল মমুক তাবরক্রবোই।
(চৎখে তৌই তাপ যাই)

পুন্সীবা ঃ মদু যারোই, ঐগী ইগুৎ শিন্দুনা শিনি হায়দুনা চোংথোরকখিবা নত্তারক্লা পাউখোং মচা অমগী পাউখুম পিবা ঙমদ্রগা বাবৌবা হেক্তা য়াব্রা? ঐনা হয়েং কবিগুম্বা খুদোংচাখিদবা থোক্লবদি তাচৌ, ইতৈমা লৈচল অসি নঙনা যেংহৌগদবা লৈত্রো চৎপা য়ারোই। তাচৌ, ইতৈমা, ঐ থা অমবোমদি য়ুমদা হল্লক্করোই। কৈস্যু য়াবিনু, ঐ শোযদনা লাক্কনি। থোইথোই ইবুং চৎলুখিগে, নঙ বাগনুবো। ইবুং থবক অমা চৎলুখিগে। নোংদম্বা নঙগী পাউখুম পুন্নমক সিদা যাওরবনি। (চে অমা পি)

ঐ খোঙ্গালদা মীনা ঙাইরে। ঐ চৎলগে। নঙ ঐবু বাবৌনুকো। (চৎখি)

নোংদম্বা ঃ (চেদু ফাওকই চেব মনা অমা যাওবম্বী)
ঐ তাচৌগী মীদা চেক অমা।

গোরোবা ঃ কবি হায়বা?

নোংদম্বা ঃ লুপা লাখ মবি লিশিং কুন্থ্রামগী চেক্নি।

গোরোবা ঃ কবিনো হায়বিবসিনো নোংদম্বা?

নোংদম্বা ঃ (চেদু ফাওকই দলিল অমা ওইবম্বী)
শ্রীলোইচোংবম পুন্সীবা, ঐ ইশামক্ত কাদ্দানা নাম্মা অসি শ্রী প্রদীপকুমার জৈন, প্রোপাই টর, লাল্লু প্রসাদ এন্দ সন্স, থাঙ্গাল কৈথেলদা লুপা লাখ মঙাদা ইশানা যানা পোটকী ময়াবা যাওনা সোনখোকচবে।

গোরোবা ঃ কবি হায়বা। পুন্সীবা!!!
(মমাল পুন্নমক পুন্সীবনা চৎপিবা মায়কৈ য়েংদুনা "পুন্সীবা" হায়না কৌবগা ফ্রিজদা লেপ্পি)

-ঃ লোয়রবা ঃ-